অসিদগী নোংপোক নিংথৌ অপানবনা অমুকসু অৱাং পাংনা অসুম খোংদারকপনা ৱাবা চীং থেংনরে। মফম অদুদা নোংপোক নিংথৌ অপানবনা মশানা পাইরকপা খুৎসু খুংলাইশিং হায়বদি নুংগী হি অমদি নুংগী নৌ অদু পুন্না থমলল্লে। মহাক্না থল্লল্লিবা মফম অসিবু ঙসি ফাওবদা মালেমগী তাইবঙচাশিংনা 'লমলেন ইঙৌরোক' (সনাহল লোকচাও) হায়না মমিং থোল্লে। অসিগী মতুংদদি পানথোইবীবু কৌদুনা তরং থক্তা চীংউ লাংওন কুম্মে শান্নবা হৌরক্লম্মি। মসিগী মতুংদদি নোংপোক্লিংথৌ অপানবা অমদি পান্থোইবী মখোয় অনিমক পুন্না অৱাং কৌব্রু তম্না অসুম অসুম খোংদোই হুনখিরম্মি। মতমগী মতুং ইন্না লাইজ ঈশিং অদু কংলদুনা মালেমগী লৈশা অকংবা মখৈ লোইনা উবা ফংলক্লম্মি।

অকংবা লৈশাশিং উরক্লবদা সলাইরেন শিদবা অমদি চীংউ খোয়য়ুম লাইয়াম্না পুন্না ৱা তান্নবা হৌরক্লম্মি। খোয়য়ুম ময়াম্না ৱা তান্নরবগী মতুংদা চীংউ ইবুংঙো কোঞ্জিন তুথোকপাবু (পাখঙববু) কংলৈ ফম্বাল লাংনবা ৱারেপ্পখরে। খোয়য়ুম লাইয়ামশিংগা লোয়ননা মশা অচিবনা লমজিংদুনা মালেম তমপাক্তা কুমথরক্লম্মি। মহাক্না অসুম অসুম লাকপনা কংলাগী নোংপোক থংবা তুরেল মপালদা থুংলখি। মফম অদু হেক য়ৌরকপদা খোয়য়ুম লাইয়াম অমদি মঙাইরোইশিং অদু পুন্না অৱা পোৎথারম্মী। অৱা পোৎথাবা মফম অসিদা খোয়য়ুম লাইয়ামশিংগীদমক্তা খন্দুনা অশিবনা চানা থক্লবা থৌরাং পুম্নমক লৌইনা শিন লাংদুনা লাইজা ঈশিং মপালদা তরা চাক পিজখিরম্মী।

খোয়য়ুম লাইয়াম্না লাইজা ঈশিং মপালদা পুন্না তরা চাক চামিন্নখিবা অসিবু ঙসি ফাওবদা তাইবঙচাশিংনা (মীয়মানা) 'লৈরাই য়ুখাংবা' হায়না খংনরিবসিনি। মসিবুনি হৌজিক ফাওবদা মৈনা ৱাই তাং-না শমদুনা (তাইবঙচাশিংনা মমাংঙৈদগীনা হৌজিক হৌজিক ফাওবদা চৎনরি) লিশাংশিংনা ইবুধৌ পাখঙববু অমদি অতৈ খোয়য়ুম লাইশিংবু লাইজা ইপাল লাংবদা (ইকৌবদা) চৎনরক্লিবসিনি।

লৈরাই য়ু খাংবগী পোৎচংশিং অমদি লাইশোল

ঐখোয় তাইবঙচাশিংনা খংজিনগদবা অমদি কাউবা য়াররোইদবা লৈরাই য়ু খাংবগী মরু ওইবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অদুদি মখাদা তাক্লি ঃ-

ঈশিং মপালদা লা লাতোন অমনা অনি থোক্লা শেৎগাইদুনা য়েৎ ওই নাইনা থাগনি। লা অদু থাবা মতমতা উপনা থাবীগনি। চেং খরা খরা হাপকনি, ৯/৮ পুন্না ১৭ ওইনা থম্মু, য়েংদৌ উতোং ১৭ (৯/৮) তা য়াম্না পুকয়ু ওইনা হাপ্তুনা পরেং শানা ১৬ য়ুংগনি ১ না খরা কুমথনা য়ুংগনি, য়েৎ খোংনেক (খুৎনেক) ১৭, ফীরাল ১/১ পুন্না থাগনি শেল খুৎনেক ১৭, ফমফী ১ পুন্না শাংনা থাগনি, হৈ লৈ পান্না ক্বা পুন্নমক ১৭ সুনা থাবীগনি।

লাইনিং লাইশোন্দি ঃ-

‘লাইনিংথৌগী হিয়াংলোই ওনরোই - নাই নখোয় থিবীকপু শকথোং মাই খংলবনে হাওই - হাওতে, য়াম্মি য়ামদে হায়দুনা চাবীরকউ’।

অসুম হায়না শোন্দুনা খুরুমগনি। মসিনি তাইবঙচাশিংনা তুংকোইনা কাওবীরোইদবা অমদি ঙসি ফাওবদা লিশাং শিৎনা চৎনরক্লিবা লৈরাই য়ু খাংবগী থৌরম হায়বদুনি।

লাই ইকৌবা
(লাইজা ইপাল লাংবা)

ঐখোয়না য়ুম অমদি খুঙ্গংগী লাই অমা লাইজা ইপাল লাংবা (ইকৌবা) অমদা লাইজা ইপাল লাংফমদা মখাগীশিং অসি তঙাই ফদনা তৌফম থোকই। উচিৱা (ৱা মশা পানবা) ৫, য়ুংবনি, কোরৌ ফী অমা খনগনি, মসিনি মমাংদা ঐখোয়না লৈরাই য়ু খাংগনি, সনা - লুপা কোনয়াই অদু কোরৌফী খল্লিবা অদুগী মনুংদা কোনয়ই হুনগনি, খয়োম লাংশিং তমগনি অমদি খাবী কোনশেং শেৎপী মাইবীনা লাইগী লৈপোপ অনি অদু পায়দুনা লাইজা ইপাল লাংগনি। পুন্নমকশিং অসি অমত্তা ৱাৎতনা কোরৌফী খল্লিবা অদুগী মনুংদা ওইনা লাইথৌ

পাংগনি। মসিগী মতুংদা লৈমরেল চফু অদু লাইজা শোক্কনি লোয়ননা লাই নুরা ৮ (নিপাল) গী চফু মচাশিং অদুসু লোইনবক লাইজা শোক্কনি।

লৈমরেল চফুদগী হৌরগা লাই নুরা ৮ গী চফু মচাশিং অদু মশা মশাগী ফীরোই ফীঙাম সুনা লৈতেংদুনা ফীজেৎ লৈতেংবীগনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি ঙসিগী তাইবঙচাশিংনা য়ুম অমদি খুঙ্গংগী ওইবা লাইদা লাইজা ইপাল লাংবদা (ইকৌবদা) অমত্তা ওইনা চিৎথদনা পাংগদবনি। য়ুম অমদি খুঙ্গং অদু কাইদনা চৎথরবদি চাহোং ঙাহোংবা, খুঞ্জাও লৈচাওবনচিংবা লোইনা ফংজগনি হায়বসি তাইবঙচাশিংনা কাওবীবা ফৎতে।

লাই থেমগৎপা

ঐখোয়না খঙনরিবা লাই থেমগৎপা হায়বা থৌরমলোন অসি ইমা অমাইবীনা পাংথোকই। হায়রিবা মওং অসিবু অমাইবীনা লাই ফীগাও হায়না খঙনবা অদুবু পুবিরিবা মীওই অনিদা হাপলিবা ইহাই চফু মচা অনিদগী লাইগী খোইরেল খোইরি ওইনা তিংলিবা লংজা - ৯ অমদি লংজা - ৭ (হিরি) অদুবু শাংনা শাংনা তিংথোক্লগা য়াওরিবা লৈয়োম অনি অদুদা পুন্না লং অদু অহুল্লক য়েৎলগা খাবী অমাইবীনা খুৎ য়েৎনা পুল্লপ্না পায়শিনগনি। তিংথোক্লিবা লং মরি অনিদু (লংজা-৯, লংজা-৭) মালেম লৈশাদা তাদনবা হায়দুনা খাবী অমাইবীগী লেংবান্দা তাহনগনি। মসিগী মতুংদা লাইগী ফীগাও অনি কোল্লীবা অদুগী ওয় ওইরপ্না খুৎ য়েৎনা লৈয়োম অদু পায়রগা ঈশিং মপান্দা নিঙগাংননা ফমদুনা মখুৎওইনা শারিক চোমজাও খিংদুনা লৈয়োম অদু ঈশিংদা চুপ চুপ লুপুনা লাইগী থৱাই মিরেল অচংবা থেমগৎপা হৌগনি। লাই থেমগৎলিঙৈদা খাবী অমাইবীনা লৈহৌরোল লোন্দুনা চীংউ মপাও চেনগনি। মসিগী মতুংদা লাইজা ইপাল লাংফমদগী হায়বদি ইরোলনুংদগী থৱাইমিরেল চিংখৎকনি। চীংউগী মতিক ময়াই য়াওরবা লৈয়োম অদু ফীগাওগা কোন্ননা পুরিবা চফু মচা অনি অদুগী য়েৎনা য়েৎতা অদুগা ওয়না ওয়দা হাপচিনগনি। মসিবু ঙসিগী তাইবঙচাশিং ওইরিবা ঐখোয়না লাই ইকৌবা/ লাই থেমগৎপা অসুম হায়না খংনৈ অমদি চৎনরক্লম্মী।

লাইজা ইপাল লাংবা লোইরগা অপোকপগী খুভমদা লাই থেম্নগৎপা

ঐখোয়না য়ুম অমদি খুঙ্গংগী লাই অমা লাইজা ইপাল লাংদুনা থৱাই মীরেলবু পুদুনা কারক্লবা মতমদা লাইবুং অদু হেক য়ৌবগা অহানবদা অপোকপগী খুভমদা হান্না লৈয়োম অনি অদু পুন্না পায়দুনা লাই অদু থেমগৎকনি। লাই থেমগৎপগী লাইরোন্দি।

'কাসা নিংথৌ লাইনিংথৌ অপোকপা, অশাৎপা, অকু অয়েনবা না নচা-ননাই ঐখোয়বু নুংঙাইবা, পুন্সি নুংশাঙবা, মীশি মীনা থোক্তবা, খুঞ্জাও লৈচাওবা, চাকহোং ঙাহোংবা, তরা ফৌগৈ চোলনা হাপ্পা, পারি ইমোম পুন্সিববু পীনবীয়ু'

অসুম হায়না অহানবদা অপোকপগী খুভমদা থারিবা অদুদা হান্না লাই থেমগৎকনি কাওগনু তাইবঙচা ওইবশিং।

লৈমরেল খুভমদা লাই থেম্নগৎপা

ঐখোয়না লাই অমা লাইজা ইপাল লাংদুনা (হল্লকপদা) কারকপদা অহানবদা অপোকপগী খুভমদা থারিবা অদুদা হান্না লাই থেমগৎলুরবগী মতুংদা অনিরকসুবা ওইনা ইমা লৈমরেল (ইশাইফু) গী খুভম য়াদুনা থমলিবা অদুদা লাই ফীগাও পুন্দুনা পুরিবা অনি অদু ইমাদা মমাই ওনশিন্দুনা লাই অমুক থেমগৎকনি। ইমা লৈমরেলদা লাই থেমগৎপগী লাইরোলদি।

'কাসাা নিংথৌ লাইনিংথৌ, অপোকপী অশাৎপী, অফু-অয়েনবীনা, নচা-ননাই ঐখোয়বু নুংঙাইবা, পুন্সি-নুংশাংবা, পারি-ইমোম পুন্সিবা, চাহোং-ঙাহোংবা, তরা- ফৌগৈ চোন্না হাপ্পা, খুঞ্জাওবা- লৈচাওবা পুন্নমকপু পীনবীয়ু'।

অসুম হায়দুনা ইমা লৈমরেলগী খুভমদা অমুক হন্না লাই অদু থেমগৎকনি।

অরোইবদদি য়ুম অমদি খুঙ্গং অদুগী ফম্বাল মথক্তা ফমদেংদুনা লৈতেংলিবা ইবুধৌ-ইবেনধৌ অনিগী মশাদা থৱাই অচংবা মীরেল অচংবা অদুবু কাদুনা লাই অদু থেমগৎকনি। মসিবু মতম পুম্নমক্তা অকাও পাৱে চনফদেকো লাইগী লাইথৌরোই ওইবা তাইবঙচাশিংনা।

অমাইবী ওইবী শঙশিংগী লৈহৌরোলশিং

ঐখোয়না অমাইবী হায়রগা কদাইবু কৌবগে হায়রবদি মপু মহাক্কী মতিক মঙালবু নংদম্বা ঙমবা তাইবঙচাশিং অদুবু খাবী অমাইবী হায়না ঙসিগী তাইবঙচাশিংনা খংনৈ। হায়রিবা খাবী অমাইবী অসি শঙ অহুম থোক্লা চিংউ মাইচৌশিংনা পুয়াগী লাতমশিংদা ইদুনা থম্বীরম্মী। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

১। শঙলেন

২। ফুরা অমদি

৩। লাংমাই

হায়না খাইদুনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা শঙ অহুম অসিগী ওইবা খাবী অমাইবীগী লেহৌরোলশিং অসি অমগা অমগা মান্নদে। মখোয়শিং অদুদি মখাদা ইদুনা তাক্লি ঃ-

ক) শঙলেন খাবী অমাইবীগী ওইবা লৈহৌরোল ঃ-

হুম-হুম-হুম ... লৈহৌরোল লোন ৫ মক লৈমুরোলদি ঈ লোন ৬ মক, লোইবু খোইরা আ... আ মরা নুংগী, তোংনিংদনা লৈশংপানগী থম্লা লাইরপান, চমুনা চাঙৌপানগী হুপলাং নরান নুংগী হারানা লৈয়েংনুংগী হাউনা আ লিরি লিরি লিরি। মাইকৈদনা ৪ মক শিংগাইনা ৬১ মক্তগী খুৎলৌদন কাইরী সনা ৩০ মক্তগী হাউনা আ মরু লুক-উ লুরু-উ। মালেম লৈখারোল ৭ মক্তগী পালেম ইমা ইবেম্মা তেকখৎপীরক্লো...ও, লৈমরেল ৮ মক্তগী মপু ইবুংঙো তেংথাবীরক্লো...ও, লৈবাকপু ফা ইমানা হায়না তাইরমগে, নোংথৌবু খুৎ ইফা হায়না তাইরমগেনা, খুং সোরোন লৈরোন নোংলোন ৩ মক্তগী মপু

শিদবনা উং উং চীংঙুনা নরাক চীং অৰাংবা - মীরাইবা কনানা কাঙমদবা পোংনাইবা কনানা কাঙমদবা পুংমায়েন খাবীনা ইরা লুক্না কাজরকই, ইপান্না থারুক অশৈবা থাবান ঙাংখোম্নরিবা, অয়ুক্না য়েন্দা অঙনবা, পেনা থাদা পমলদুনা শামৈ ২ কারন্না চৈজিংনা য়েৎলোম পায়না ইনুংবা শিংখোং লুরু য়াগা কৈরক্লেদো। ইপালদনা মানোম কৈরমদে, খাবীনা ঐসু ইপান্না হৈনা নতুং ইঞ্জরকইনা সনানা লাংজেং মমৈ ৰাইজরকই, থোংজিন্না ঐবু নাতে কাংজরকই চামলৌনা ঐবু লাং থারোই শীংঙেন্না ঐবু চারা নাপোম শাৎচরকই, থাকল থারক লৈনা হায়গৎচরকই, নিংথম ফৈজুপ ফীজিতোন মপল ৰাইনা কাংজরকই। চোম্লাং মনা কাউবীহনবনা কাউৰোকনবীয়ু শিঙেল লৈরাং অমনবনা পাউৰোকনবীগনো শিঙঙেল ঐবু লৈহুনলোইনে, খাবী ঐদি লাথারোইনে, পালেম ইবেম্মা লোইশং ফালুনুং হিরুদনা তেংমাই খীল্লিবী চেগপনা নরু নুংদা ফম্ফমনা, ৰায়েনবীরিবী পালেমগী কোলোয় ময়াথং অথুম্ববু কোরৌ নোংদা কাঙমদা, মালেম লৈদা তাঙমদবগী তাংজা ঐবু লুদা থোংজরকই, শারেন লোইনা খঞ্জরকইনা শারিক ঐবু পাউখোললোইনে, নুংশিৎ চরৈ ফীবাল কাংজরকই, কোরৌ ঐবু শুংদাইরোইনে, অহিংনা কাংবী হুম্মাইরোইনে, খাচিক থকপা হৌনা হুম্বানা মদাইরেম ঐবু হাওনে তরাদনা ঐবু চাকমাং চারকপীনে, লৈকায়দনা খান্বী মৈনাং তোয়নরকপীনে, পালেম ইমা ইবেম্মা মালেম লৈরেনহনবীসু খোয়দৌনা লেমফু মরুনুংদা ফম্ফম ৰায়েনবীরো, খাবী লৈয়েং থক্তা ফম্ফমনবিররো, তাংজ লৈতোন খুরৌ চেলহনবীগনো..........।

খ) খাবী ফুরা অমাইবীগী লাইহৌরোল ঃ-

হৌনা আ লিরি লিরি লিরি আ ইংল হুম নহাল্লোং মালেম চনিং লৈখৈরোন লৈখুরোন লোন্দি ৬ মক লৈহৌরোল লোন্দি ৬ মক মাইকৈ এ - ইং - এ মরিমক। মালেমদনা চিথেক ৮ মক পোইরৈ এ-ইং-এ শীংখাই ৬১ মক্তগী এ...এ...হুম...। সনা খুৎলৌতোন কাইবী ৩০ মক ৩০০ দনা য়াইবী মরোলনুং, খোইরা আ-উং-আ খোইরা লাপনুংদগী এ....। হৌনা .... অঙ... লিরি...লিরি.... লিরি...এ....হুম থম্না লাকোন্নুং ইৰাংলেন কোরৌ নোংমদোন ৯ মক্তগী অনেম্বা চীংউ নখোংখদা....আ....উং...আ, লৈখারোন ১৭ মক্তগী এ....। খোয়য়ুমদনা মৈ.... ঈশিং.... নুংশিৎ ৩ মক্না য়াইগা ওইরিবা...ও

ৱাংলোন পুংজা খেনদোং নুংঙাইবা ....ও... খেলে...এ... ইং....এ নংগী নদাইরেম নুমিৎতনা নংগী নথোইলম। পল লৈনুং থারুক অশৈবা..ও থাবানাই ঙাংখোম্বনা, অয়ুক য়েন্দা মাংদা ইনুংবা শিংখোং য়াগা কৈরেমমদা ইপলদনা মাসু মদোমদে ঈ...এ...। নদাইরেম ওইবী ঐসু ... ও... উং .... ও ....., ইপন্দনগী হৈনা মতুং ইঞ্জরক্লিদো খাবী ঈথৌ খনবু খঞ্জরক্লে এ ... ইং .... এ .... অমাই ইরাল্লুপপু কাজরক্লে হুম... । চরৈ ঐবু থাঙজ অমনবনা পাউৱোকনবীগনু, নুংনাংদনা কাউবীশী মনা অমন্ননা খোইয়ুম ওইনা পাউৱোকনবীগনুনা ... ও .... উং .... ও .... ও ...। পালেমদনা ইমা ইবেম্মা খাবীদনা য়ুরেনহনবী অমাই নোংলেনহনবী ... ও .... উং ..... ও ... । হিরুদনা তেংমাই লৈনা থীল্লীবী লোইশঙ ফালুপ, চেগপ মরুইন্না ফম্ফম ৱায়েন তমলিবী, পালেম ইমা ইবেম্মগী মদাইরেমনে, পালেমনা থেংনা নৌনা শাৎলকপনা তরা ঐবু চাকমাংলোই খাম্বী ঐবু মৈশাং লোইনিদা, পালেম ইবেম্মগী কোলোই মপাউ অথুম্ববু, কোরৌ নোংদা কাওফরোই, মালেম লৈদা তাফদবনা আ ... উং ...আ ....। পালেম খোমলাং অনৌববু তোইনরিবী নদাইরেমনি, লৈপাকপু পুমফাই ইমা হায়না হৌরমলে, খুং সোরোন মরোল লৈরোল নুংলোন ৩ মক্তগী তয়ুম আ ... উংনা.... লিরি .... লিরি .... লিরি... এ ...ইং ... এ ... হুম ...।।০।।

গ) ঙাগী লাংমাই অমাইবীগী লাইহৌরোল ঃ-

হুম ... উম ... উম ... উম ... উম। মালেমদনা চনিং লৈখৈরোল ৱা ... দা ... আ... উং... আ ... লৈখারোলদ ১৭ তগী লৈহৌরোল লোন্দি ৫ মক, লৈমুরোল লোন্দি ৬ মক লোইবুদনা খোইরা লাপাননুং হায়দনা লৈয়েংনুংদগী তৌনিংদনা লৈশংপান থম্না লাকোন্নুং চমু চঙৌপাল হুপ্লাংদনা নরান্নুং তয়ুমনা হৌনা রি ... রি ....রি ... হৈয়া। মাইকৈদনা ৪ মক, শুংদাই ৮ মক, পোইরৈ শিংগাই ৬১ মক্তগী অৱাংদনা কোরৌ নোংমদোল ৯ মক্তগী তয়ুম্না হৌনা রু ... রু ... রু ... হৈয়া, লৈবাকপু ফাই ইমা য়াগা কৈরকলে, খুং শোর মাগা তিলখরে, লৈরোল নুংলোন ৩ মক্তগী তিললে, তিনলেন্না হৈয়া। খোয়য়ুমদনা মৈ ... ঈশিং ... নুংশিৎ ৩ মক তিল্লক্লে... হৈয়ুম ... অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা পেনাথাদ্দা ফম, চৈজিং য়েৎলোমদা পায়, শামৈ ২ না করন্নরদনা ইনুংবা শিংখোং

য়াগা কৈরক্লে। লোইশং ঐগী ফালুনুং চেগপ মরুওইনা ফম্ফম ৱায়েল্লকলিবী ক্কগোক ঐদি শুংদাইরোইনি অহিং কাংবী হুমাইরোনি, শারিক ঐনা পাখোল্লোই, নুংথিল ঐনা চরৈ ফীরাল ওইবীনে। পালেম ইমা ইবেম্মাগী খাবী চাম্মা লোন দম্বী অমাই চাম্মা শিন্তাক লকপী পালেমগী নদাইরেল ওইবীনি, লাইজ নৌনা ইল্লকপীনি চারা পৌরোল হাংজরক্লে থোংজিল নাতৈ কাংজরকলে, থাকলদনা লৈনা কাংজরক্লে ॥০॥

অসুম হায়দুনা খাবী অমাইবী চারৈ ফীঙৌ শেৎপী ওইবী শঙ অহুমগী লৈহৌরোলশিং অসি ময়েক সুনা তাক্লি হায়বসি তাইবঙচাশিং খক কাওফদে॥০॥

হৌজিক হৌজিক্কম লোয়শঙশিংনা অয়াবা পীদুনা লৈবাক্কী ওইবা লাইথৌশিংদা চৎনরিবা শঙ অহুমগী লৈহুনশিং ঃ-

ক) শঙলেনগী ওইবা লৈহুনশিং ঃ-



খ) ফুরাশঙগী ওইবা লৈহুনশিং ঃ-



গ) লাংমাই (নোংমাই) শঙগী ওইবা লৈহুনশিং ঃ-



খঙজিনগদবশিং ঃ-

খাবী অমাইবী শঙ অহুম্মক্কী ওইনা লাইবুংথৌ ৯ গী লৈহুন, লাইনূরা ৭ কী লৈহুনশিং অমদি ঈকৌবদা কাবা পাগনদেম অমদি ফীগাওগী ওইবা লৈহুনশিং অদুদি অহোংবা অমত্তা লৈতে, শঙ অহুম্মক অসি চপ মান্নে কাওফদে তাইবঙচা ওইবশিং ।।০।।

য়ুমদা লাৎনরিবা সনামহিগী ওইবা সলাই তরেৎকী চৎনরিবা লৈহুনশিং ঃ-

ক) **মঙাং সলাই ঃ-**

য়াইবীরেল (কুরু) ৩, লাইনিংথৌ ৯, লাইরেম্বী ৭।

খ) **লুৱাং সলাই ঃ-**

য়াইবীরেল (কুরু) ৩, লাইনিংথৌ ৭, লাইরেম্বী ৫।

গ) **খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা অমদি সরাং লৈশাংথেম সলাইশিং ঃ-**

য়াইবীরেল (কুরু) ৩, লাইনিংথৌ ৩, লাইরেম্বী ৩।

খঙজিনগদবশিং ঃ-

লাইগী লাইথৌবু পাংথোক্লিবা / পাংথোক্লিবী অমাইবা অমদি খাবী অমাইবীশিংনা নমু তাইবঙচাশিংগী য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংগী ওইনা খুভম য়াজরিবা লাইনিংথৌ সনামহিকী ওইবা লৈহুনশিং অসি মশা মশাগী ওইজবা সলাইদা য়েংদুনা শিঙঙেল লৈরাং লৈহুন অসি কাইদনা তম্বীগদবনি। করিগুম্বা মতমদা সলাই সলাইশিংগী ওইবা লৈহুন অসি কায়না পীবীরবদি য়ুম অদুদা লৈরিবা তাইবঙচাশিং অদু য়াম্না পাংদে, কাংখোং য়াম্না চাই, চাহোং ঙাহোংদে, পুন্সি নুংশাংনা লৈবা ঙমদে হায়বদি লৈহুন কাইবা ফৎতে হায়না লৈহুন পুয়াদা ময়েক শেংনা তাক্লি।

লোইননা য়েক তরেৎ অমদি সলাই তরেৎমক্কী ওইনা য়ুম য়ুমদা লাংনরিবা ইম্মা ইবেন্মা লৈমরেল শিদবী (ইশাফু) গী ওইনদি য়েক / সলাই তরেৎমক্কী ওইনা শিঙঙেল লৈরাং লৈহুন অসিসু লৈপোপ ৭ / ৭ ওইনা চপ মান্ননা কাবীগনি।

লাইকৌলা (লাইবৌলা) গী লৈহুন শেম্বা।



খঙজিনবীগদবশিং ঃ-

হৌজিক্তি ময়াইদা তন্নিবা লাইগী ওইবা লৈহুন হায়বদি লাইনিংথৌনা - ৯, লাইরেম্বীনা - ৭, ওইনা লা অউপ্পা অমদি অরোংবা ওইদুনা য়োমলগা ওইনা তম্নরে মরমদি লাই শান্নবা মতমদা খুরক লৈ ওইনা পাইবদা নুংঙাইনবা হায়দুনা।

লাই চনিং ফুকপগী ৱারোল

ঐখোয়না য়ুম অমদি খুঙ্গংগী লাই অমগী থৌরম তৌবা তারবদি অপোকপা, লৈমরেল, য়েৎকী ফাংখোং, ওয়গী ফাংখোং, চনিং হায়না ১ / ১ থাগনি। পুম্নমকশিং অসিদগী হেক ফুকপদা (লৌখৎপদা) য়াম্না লুবদি চনিং হায়বা অসিনি। ঐখোয় লাইগী মনাই ওইরবা / ওইরবীশিংনা চনিং অসি ফুকলমদাইদা (লৌখৎলমদাইদা) মখাদা পীরিবা লাইশোন অসি হায়রগা পাংথোক্কনি।

লাইশোন্দি ঃ- ‘তরংলেন নোংদেম খোম্বা,
তরং শাহৌবা,
মাইবরেন নোংশাবা,
ননাই ঐহাক্তি করিসু খংজদে
অরানবা পুন্নমক ঙাকপীয়ু॥০॥

অসুম হায়রগা খুৎবাক ‘৩’ লক খুরগা ‘৩’ লক চংথোক্লুনা লাইগী চনিং ফুঙ্কনি লোয়ননা য়ুমগী য়ুম্বু নৎত্রগা লাই শেল্লুংবদা শিন্নবীগনি কাওগনু তাইবঙচাশিং ॥০॥

খাবী অমাইবীগী চাকহেন ঙাহেন

ঙসিগী মালেম অসিদা মপু মহাক্কী মতিক ময়াইবু পাওদম্লিবী মীওই অদুবু ঐখোয়না খাবী অমাইবী চরৈ ফীঙৌ শেৎপী হায়না খঙনৈ। হায়রিবী মীওইশিং অসিনা চারোই থক্লোইদবা চাকহেন ঙাহেনশিং খরা লৈ।

হায়রিবা চাকহেন-ঙাহেনশিং অসিবু ঙাক্না চৎলবদি লাইগী লাইমিৎলোন হায়বদি লাইচংদা য়াম্না মতিক মঙান লৈবা হেল্লি। মখোয়শিং অদুদি মখাদা সুগাইনা তাক্লি ঃ-

১। ঙাগী মনুংদা চারোইবদশিং ঃ-

ঙাক্রা, ঙাসেপ, ঙাচিক, ঙমহাই, ঙাকিচৌ, ঙানপ, ঙারিল ঙাপ্রুম, খাজিং, লোয়ননা অতৈ অতৈ মচি পানবা ঙাশিং।

২। শীংগী কাংলুপ্তা শিজিন্নরোইদবশিং ঃ-

হৈমাং, চরোৎ, লাংগোম, উরৈরোম, তেরা, তাইরেল, খিমলোই, লোয়ননা মৈখাক-মৈহুম নচিংবশিং শিজিন্নবা য়াদে।

৩। মরোইগী কাংলুপ্তা চারোইদবশিং ঃ-

চনম, তিলহৌ, ফমফাই, ময়াংবা, তোক্লিংখোক, লোম্বা অসিনচিংবা।

৪। হৈগী কাংলুপ্তা চারোইদবশিং ঃ-

হৈমাং, হৈবোং, কাংগ্রৌ অনিচিংবনি।

৫। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা খাবী অমাইবী ফীশেং ফীঙৌ শেৎপীশিংনা অমত্তা চাফদে।

অসিনশু মদোমদে, ইমা অমাইবীগী চাকহেন ঙাহেন অসি য়াম্না কুপ্না লৈখ্রে। হায়রিবশিং অসিদগী হেন্না খংনবা মমা-মমা ওইবীশিংদগী খংজিনবীনবা হোৎনবীয়ু। পুম্নমকশিং অসি ঙাকপা ঙমদ্রগসু তাঙাইফদনা ঙাকফম থোকপা খরদি ঙাকপী শেনবীগদবনি মরমদি মসিনা মখোয়দা ফংলিবা লাইগী মতিক মঙাল (থৌজাল) বু মাংহন্দনা থম্বা ঙমই অমসুং মীথোই মীহেনবা লাইগী ওইবা লাইমিৎ থৌহনবা অমদি হেনগৎহনবা ঙমহল্লি হায়বসি ঙসিগী লাইথৌ তৌবীরিবীশিংনা কাওফদে হায়জনিংই।

মাইবা, মাইবী অমদি পেনাগী ফীজেৎ

ঐখোয়না মাইবা, মাইবী অমদি পেনাগী ওইবা ফীজেৎশিং অসি মমাংঙৈদা লৈবীরম্বা নিংথৌরেলশিংদগী হৌদুনা 'মৈনা ৱাই তাং-না শমদুনা অদুম্মক চৎনদুনা লৈরক্লি।মখোয়নশিং অদুদি মখাদা পীজরি ঃ-

ক) মাইবা ঃ- সলাই কোৎয়েৎ, ফুরিৎ অঙৌবা সাইককপা, ফৈজোম অঙৌবা, লেংয়ান অঙৌবা।

খংজিনগদবা ঃ- সনা কোনুংগী লোয়শংগী অয়াবা ফংলবদি ফীবোং চামিবা (রেসোন) ফুরিৎ, খামেন চৎপা, খুজি -তান নচিংবা শেৎলি অমদি লিৎলি।

খ) মাইবী ঃ- ফনেক অঙৌবা, ফুরিৎ অঙৌবা, খ্বাঙচেৎ ফী অঙৌবা।

খংজিনগদবা ঃ- সনা কোনুংগী লোইশঙগী অয়াবা ফংলবদি ফীবোং চামিবা (রেসোন) ফুরিৎ, শারোং উরেক- শেক। খুজি- তান্নচিংবা শেৎলি অমদি লিৎলি।

গ) পেনা ঃ- কোৎয়েৎ অঙৌবা, ফৈজোম অঙৌবা, ফুরিৎ অঙৌবা শাঙ্গীককপা, খ্বাঙচেৎ অঙৌবা।

খংজিনগদবা ঃ- সনা কোনুংগী লোইশঙগী অয়াবা ফংলবদি খমেন চৎপা, খুজি - তান, ফিবোং চামিবা (রেসোন) ফুরিৎ নচিং শেৎলি অমদি লিৎলি।

শঙ অহুম্মক্কা অরোইবা ওইনা খংজিনবীগদবদি লৈবাক অসিগী মপু ওইরিবা ইনিংথৌনা পেনবীদুনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা (মাইবা, মাইবী, পেনা) 'মনা অসুবা ফংজরো' হায়না য়াথং ওইনা পীবীরবদি লোয়না সুনা শেৎপা চাবা য়াদে, তৌহৈদে, পুন্সিদে হায়বা খংজিনবীয়ু। মখোয়শিং অদুগী মরক্তগী অমতংদি ৱাৎনা শেৎ-চাবীগদবনি।

সনামহি চেংহোংলোন

হে হৌ !! হে হৌ !! হে হৌ !! হোংনেমলো হোংনেমসে, লমলেনমদা মদাইমদা হোংনেম্বা, কংলৈয়োন্দা পুংময়োন্দা হোংনেম্বা, খোয়য়ুম থৌবু লাইনিংথৌবু হোংনেম্বা, লাইরেন য়াইঙ্গনা নানোংয়াইনা থেংনেম্বা, লিকলাইরেন্না নিংথৌরেন্না হোংনেম্বা, লোইদামগীদি থাকাওদনা লংহৈগীদি কুমগাওদনা হোংনেম্বা, খোইয়োম পাগা লাইরম পুগা হোংনেম্বা লমলেনগীদি তেংমাইথিনবা অহুমমক্কা তৌবকনা লাকথোং কানা চীংঙু ইনা হোংবান ৱাইন হোংনেম্বা, হাংইগীদি খোংছোম্বা মশুথং সোরা ইরু পানবা মনাসুম ৱানা মানবী তেমথাগুম তেংনা মানবী কৌবা শুমলেনগীদি, মাইপাকপনা ইয়েনগীদি লানগীদি পানবা কৈরেলদি পাথা শওম হরাওতাংদি থক্ক থোংহন্নু তোমশন লাংমাইনুদি য়াইন শমলেনগীদি মাইপাকপদা নুরা হৌনা য়োমলোই হৌনা, পাখঙগীদি মদাং শাংনা শেলোইগীদি লংমাই নিংথৌ চনু লৈমা কোনশাংনু শাঙু থৱাইগীদি নুরৈশংবু শনবী মপারি চেগাই মক্রাবা লনশিংনুবনগীদি উয়ুংসু শয়িগীদি কুহিসুং শুমুগীদি তোনতাংবদা শরিক্লা খিং খিং খাংনা শুকতোনগীদি লাংদাই খাংনা খিং খিং খাংনা, খিং খিং খাংনা তোনগীদি লাংমাই থাংনা পালেম ৱাইনা, খাংতপ ৱাইনা, শুকনিংনা মোইনিংকান লোইমোমহুন কুরোনহুম মংখাবদা

হেগীদি চেংচা তান্না মাইঙৌ তান্না পালেমগীদি থোইদিং লান তরা থৈঙারাদা উমুলাদা, তাংমালাদা ইতোমগীদি হাওনু নুবু তননু পান্দোইনুবু শাফাবীবু ফানা লানা য়াংকোক লাদা, কনম লাদা মোম ফৌদি তুংদা ইন তরা চেংদি মাংদা ইন্না য়াম্বী তান্না মাইঙৌ খোয়য়ুম্বু হোংলেম্বা লাইতিংথৌবু হোংনেম্বা, সংলেনগী হথিনবা অহুমমক্পা খোয়য়ুমগীদি লাইথোং হাংনা কৌবাকান কাংকান চীংঙু ৱাইনা খোংবান ৱাইনা খোয়য়ুমগীদি লাইরেম য়াইনা পানোংয়াইন পোইরৈ হৌনা খনচা হৌনা হোন নাইচা হৌনাখোয়য়ুম থৌবু হোংনেম্বা লাইনিংথৌবু হোংনেম্বা, তরা লেম্না চেংবানা লেম্না, লোইমোম লেম্না, ফৌবন লেম্না, শিংলেম লেম্না, লৈপাক লেম্না, খোইমোম থৌবু হোংনেম্বা লাইনিংথৌবু হোনেম্বা, চীংঙুগীদি নরনকুবু, খোইমোমগীদি নাথৌজানবু পোইরৈনববু খুনখোংনববু ৱাঙমনববু, খুনচাওনববু লাইরেন য়াইদি মনোংয়াইদি লিকলাইরেশিনদি নিংথৌরেন্দি, খোইমোমখাদা,সনা খাদা, নখোংখাদা, লাইরেন য়াইনা ননোংয়াইনা য়োইবুবীগা তম্বীবা মৈত্রে মানা চীংঙু ৱাইনা থোংবান ৱাইন কোরৌলেমনা, লমশা লেমনা ৱাংবল লেমনা, পাওগ লেম্না, লোইন তোকলবদা ঙমদা তোকলবদা, চীংঙু চীং চমন থা নথৌচন্না লাইরেন য়াইনা ননোং য়াইনা লিক লাইরেন্না নিংথৌরেন্না নয়ুলৈবু হোংনেম্বা, লৈবু লৈপুমসিবু ইৱান লৈবু কোনশিল্লমগে, মকোন থোক্কীবু কোললো, হোংনেমলো, হোংনেমলো ॥০॥

মথক্কী অসিনি হৌজিক হৌজিক ফাওবদা ইপা-ইপুশিংনা মৈনা ৱাই তাং-না শমদুনা শিজিন্নরিবা 'সনামহি চেংহোংলো হায়বা ৱাহৈ অদুনি।

তাঙ্খুল অমদি নুরাবীগী লাংওন তরেৎ

ঙসি ফাওবদা মৈতৈ/ মীতৈ উমংলাই হরাওবগী লাই লোইবা মতমদা তাঙ্খুল অমদি নুরাবী হায়বা অমা হেক হেক থোকপা উই। মখোয়গী লাংওন লংদাই অসি কয়া সুবনো হায়বদি ঐখোয়না খক হকচিন্না লৌরুদে। মখোয় মখোয়গী ওইবা লাংওনশিং অদুদি পুয়াগী লিক্লম লিখুলগী মতুং ইন্না মখাদা তাক্লি ঃ-

তাম্বুল লাংওন	নুরাবী লাংওন
১। লোইরেম্বা	১। লাইখুতোন
২। নোংপোক চেংথেল লাকপা	২। তঙকনুবী
৩। নোংপোক সেলু অপানবা	৩। নোংপোক পাম্থোইবী
৪। নোংপোক চুমথং খেল্লেনবা	৪। অপানথোইবী
৫। নুংপোক নহাকপা	৫। ৱাইরং পাম্বী
৬। নুংপোক নোংলেনবা	৬। হাওরৈমা শমপুবী
৭। নুংপোক শরম পাখঙবা নম্বা চরুলেন	৭। উমা সনা চীংচরোইবী

হায়রিবা লাংওন লংদাইশিং অসিনি ॥০॥

লাইচৎ-লাইহুইশিংগী পুগদবা শঙশিং

ঐখোয় তাইবঙচানা লাইগী ওইবা লাইচৎ লাইহুই হায়রগা করিবু খংনবগে ? মসি হায়রগদি তাইবঙচাশিংনা অসুম্না খংনৈ মদুদি খোয়যুম লাইয়ামশিং অসিবু কনা কনা পুন্না চৎমিন্নবা য়াবগে হায়না খন্দোক খঞ্জিন তৌবা অসিবু তাইবঙচাশিংনা লাইচৎ লাইহুই হায়না কৌই মসিসু কাংলুপ অহুম/ অহুম (৩/৩) থোক্লা খাইদোকই। অহানবা কাংলুপ্তা লাই নুপাগীদা অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

১। সনামহি, ২। পাখঙবা অমদি ৩। নোংশাবা।

অনিসুবা কাংলুপ্তা লাই নুপীদা অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

১। লৈমরেল, ২। নোংথাংলৈবা অমদি ৩। লাইখুরেম্বী।

মথক্তা পাঞ্জখিবা লাইচৎশিং অসি করম করম্না খাবী অমাইবীগী শঙগী মীওইশিংনা মথৌ মঙম অসি পাঙগনি হায়বদুদি মখাদা শুগাইনা পীরি। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

লাইচৎশিং		পুগদবা শঙশিং
১। সনামহি লাইচৎ	-	ফুরা শঙ
২। পাখঙবা লাইচৎ	-	শঙলেন শঙ
৩। নোংশাবা লাইচৎ	-	ফুরা শঙ
৪। লৈমরেল লাইচৎ	-	লাংমাই শঙ
৫। নোংথাংলৈবা লাইচৎ	-	শঙলেন শঙ
৬। লাইখুরেম্বী লাইচৎ	-	লাংমাই শঙ

খঙজিনবীগদবদি ঃ-

ঐখোয়না করিগুম্বা লাইচৎশিং অসিবু হরাওবা তারবদি ইমা খাবী অমাইবী ফীশেং ফীঙৌ শেৎপী শঙ অহুম (৩) অসিদা য়াওরিবা মাইবী খুদিংমক্না মশা মশাগী লাইচৎশিংগী মতুং ইন্না লৈরাং লৈহুন তম্বীগনি। অমবু অমনা লান্না খক তমহৈদে, তমলবদি লৈবাক নিংথৌ কাইগনি, খুঞ্জাও লৈচাওরোই, চাহোং ঙাহোংলোই অমদি মচা মনাইশিং পুন্সিরোই। তঙাই ফদনা মাইবীশিংগী মরক্তা শঙশিং অসিগী লৈরাং লৈহুনশিং সুনা খংবা ইমা অমাইবী অমা য়াওরগা হরাওবীগদবনি খংদ্রবদি মফম অদুদা পুরিবা লোইশঙগী মকোক ওইবা অমাইবদগী পৌতাক লৌবা তঙাই ফাদে কাওগনু। ঐখোয় তাইবঙচাশিংনা মতম পুন্নমক্তা কাওরোইদবদি অমাইবা অমাইবী হায়বা অনিসি পুন্না তাথোক তাশিন তৌদুনা চৎমিন্নগনি অমনা অমবু হন্থনা খক খনবা তৌহৈদে হায়বসি কাওফদে।

লাইচৎ-লাইহুইশিং

ঐখোয়না লাইচৎ লাইহুই হায়বা অসি মখল অনি থোক্লা খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি ১। লাই নুপা (লাইরেম্বা) অমসুং ২। লাই নুপী (লাইরেম্বী) হায়না খাইদোকই।

১। লাই নুপা (লাইরেম্বা) গী কাংলুপ্তা অমুকসু মখল অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই মখোয়শিং অদুদি মখাদা পীরি ঃ-

ক) লাইনিংথৌ অশিবা। অতিংকোক শিদবা (সনামহি)
খ) লাইনিংথৌ কোঞ্জিন তিংথোকপা (পাখঙবা)।
গ) লাইনিংথৌ অতিয়া শিদবা (নোংশাবা)।

ক) লাইনিংথৌ অশিবা/ অতিংকোক শিদবা (সনামহি) গী কাংলুপশিংদি ঃ-

সনামহি, সমদোল অয়াংবা খাকপা পুরাং পুরৈরোম্বা, নোংপোকনিংথৌ, সোরারেল নুথিবা, লোয়ালাকপা (তোলোংখোম্বা) ময়াং নহাসারৈ থেকপা, য়োইমোংবা, থোংনাংনিংথৌ তাউরোইনাই, কুপত্রেং, খুমু তুংইন্নবা, ৱাংথা মৈরোইনবা, ৱাইকোক শারিবা, লাইনিংথৌ হনবা, য়েল্লাংবা, হঙ্গোই নিংথৌ, সেংপান, ৱাংবরেল, ৱাখা লাকপা, কৈরাও লাকপা, খোংজিলাকপা, অরোইনুং, লোকনিংথৌ, ঈশিং চাইবী, নোংকাংচেং, ৱানঙৌবা, নুংকাশিংপাক, মোংবা হনবা, পাল্লু লৈয়োনবা, ওকসুরাকপা, থৌঙাইবা, য়ুচেং, য়ুহা, খোইরিফাবা, কোরৌহনবা, পাংগনবা, কৌবরেল, কম্বোংপুঙ অমদি ইরুম নিংথৌ হায়রিবশিং অসিনি।

খ) লাইনিংথৌ কোঞ্জিন তিংথোকপা (পাখঙবা) গী কাংলুপশিংদি ঃ-

পাখঙবা, কোংলৌরেন অপান্বা যাওহন অহনবা (নাওকল), খম্বাংবা, মুৱা নিংথৌ, তাউথিংমাং, য়াংগোইনিংথৌ, তুবুচিংনিংথৌ, আচাবা, থাংজিং, সেনত্রেং, ইকোপনিংথৌ, অয়াপা, লৈকাচেং, ৱানমুবা, নুংজেংবা, নোংথিলচাইবা, য়ৌঙাইবা, কোংতিংলেন, শামুরৌলাকপা।

গ) লাইনিংথৌ অতিয়া শিদবা (নোংশাবা) গী কাংলুপশিং ঃ-

নোংশাবা, চাখাবা, মার্জিং, লুৱাংনিংথৌ, লাংবুম নিংথৌ, হমবুম নিংথৌ, থৱাইরেন, পোনবী লুৱাংবা,সিংতাবুং, পোইরৈতোন খুনথিবা, পুদাংকোই, নুংপোকপা, নুংগাং মহারাবা, চীংখৈ নিংথৌ, মহৌনিংথৌ, উতিন উকাং নিংথৌ, ঈপুনলেন, ঈতাইরেন, মকুরোৎ, থোংথোক কারন, অন্দ্রো খুল্লাকপা, চেংঙা, থৱা, কৌবু, ওংজা নিংথৌ, খুম্মুং থোংঙারেন।

২। লাই নুপী (লাইরেম্বী) গী কাংলুপ্তা অমুকসু অহুম থোক্না খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

ক) লৈমরেল

খ) নোংথাংলৈমা

গ) লাইখুরেম্বী

ক) লৈমরেলগী কাংলুপশিংদি ঃ-

য়াবীরোক, হিরৈমা, ইরাইলৈমা, হীকুবী, তরুংলৈবা, চীংনকোন লৈমা (চীংবা লৈমা), ইরোং লৈমা, নোংগা লৈমা, হিয়াংথাং লাইরেম্মা, য়াইরৈমা, য়াইকুবী, হীপোকপী, য়াইপোকপী, নুংথেল লৈমা, য়াওরৈমা, ইরৈমা, নুমিৎ লৈমা, লোক লাও লৈমা, খাঙব্রম, হুইমুলৈমা, চীংথাং লৈমা, লাংজিং লৈমা, খন্নাং তাউবী, হৈস্নাম ফৌদম্বী (লাইরেম্বী), খুল্লৈমা, ইমোইনু, ইচুম লৈমা, চেংলৈমা, চীংঙা লৈমা, হৈপোক লৈমা॥০॥

খ) নোংথাংলৈমাগী কাংলুপশিংদি ঃ-

পান্থোইবী, তান্থোং লৈমা, লৈমথোং লৈমা, লমদেং লৈমা, হৈননৌকোক লৈমা, তাংজিং লৈমা, চনিং লৈমা, নুংগোইবী, কোলোয় লৈমা, থুমলৈমা, ঙারৈমা, থারৈমা, ফৌওইবী, য়োৎলৈমা, ৱাত্রেসিনহৈবী, কোনলৈমা, খকপা নিংথৌ চনু, মোইনু চনু (মোইবী লৈমা), পিথেৎ লৈমা, লাইৱা লৈমা (লৈরে লৈমা), লাইনথানবী (লাইহন থানবী), খাবী পুকোক চনু, লিক্লবীচা, য়াইবী লৈমা, প্রিথাই খোংদ্রাইবী, সরিক লৈমা, পুকস্ত্রি লৈমা, লৈমা নুংখোং নুংলাওবী, খম্বী ইয়েংচা (খান্বা য়াদৈ), লংমাই লৈমা, চীংজ্রোইবী, ৱাইকৈরৈমা, থোংঙাক লৈমা, সিতানুবী, চরাং লৈমা।

গ) লাইখুরেম্বীকী কাংলুপশিংদি ঃ-

লৈনাওতাবী, লাইস্না, চীংনুলৈমা, থমনুলৈমা, অহুমনু, অরৈনু, থেরেলোংবম চনু,তোনথাংনু, সৌবোন লৈমা।

খংজিনগদবা ঃ-

হৌজিক্তি লাই মশিং য়াম্না হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা করম্বা লাইচৎ লাইহুই চৎনগদগে হায়বদু মুন্না খল্লগা অমদি কোনুংগী অয়াবা য়াওরগা চৎনগনি।

পানা অমসুং লৈকায় খায়বা কংলৈ পাফল



খংজিনগদবদি ঃ-

মথক্কী কংলৈ পাফল অসি লৈবাক নিংথৌনা মমাংঙৈ লৈঙাকলিঙৈগী পানা অমদি লৈকাই খাইবা অশেংবা কংলৈ পাফলনি।

লাই হরাউবগী পাফল চৎপদা শক্কদবা ঈশৈ

ঐখোয়না লাই হরাউবা অসি নোংমা নোংমগী হেক হেক লোইরমদাইদা য়ুমজাও পাফল হায়বা অমা হেক হেক চৎলি। মসিদা মখাগী ঈশৈ অসি শকপা শোনবদা য়াম্না মতিক ময়াই হেনহল্লি, খুঞ্জাও লৈচাওহল্লি।

"ঈশৈ"

চকশিং লাংশিং লাংদাইরে,
পাখঙবা কোন্দি কোনফরে,
কোন্না চক্তি মীৎপাংলে,
কংলৈ পুংময়োল লাংহৈরে ॥০॥

ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা
খেলৈ চুমথাং পাখঙবা, থাজ চুমথাং খল্লিবা
থাজ ফীজং খল্লিবা
কোরৌ থক্তা ঙাল্লিবা
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ॥০॥

অঙৌবা লাংওন ওইদুনা
পাখঙবা লিককোক ফাওরক্লে
অনজিগী লাইয়ুম ওইদুনা
তুবী ময়েক ফাওরক্লে
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ॥০॥

অচুম্বা লমদাং তরেৎনা
সনাগী খ্বাংজেৎ ওইবা লাই
খোয়বা চীংগী চীংদোলদা
পাখঙবা য়াংবী ফাওরক্লে
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ॥০॥

তুথুপ কীশি মরিনা
মাইগৈ মরি সুপলিবা
তুথুপ কারল মরিনা
মাইগৈ কারল ফারিবা
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ॥০॥

নমৈবু নয়ানা চিক্কুনা
তেংবালববু য়েক্লিবা লাই
চিরোং নুমিৎ মশেক্লা
অচৎ চৎতা য়োক্লিবা লাই
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা।।০।।

নবুক্লা নোংথৌ ওইরিবা
ননম্মা য়াংবী ওইরিবা
নতুনা তুরিক খুদিংদা
সনা হাজং য়ৈরিবা
লুপানা কোঙ্গোল থিল্লিবা
নচুনা লাইকোই ওইরিবা লাই
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা।।০।।

চিরোং অনিনা ঙানবনা
য়েৎলোম থংবা চিরোংনা
সনানা হাজং য়ৈরিবা
ওইরোম থংবা চিরোংনা
লুপানা হাজং য়ৈরিবা
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা।।০।।

তোক্লেন লিশিং অমনা
তুবী তোক্লেন অমনা
পুল্লেন পাৎতা চাক্তাবা
তুবী তোক্লেন অমনা
ইকোপ লাইপাল শোইদা চাক্তাবা
তুবীনা তোক্লেন অমনা
ময়াইনা কোইরেন সুংদোকপা

কংলাগী সুরুংদা চাক্তাবা
তুবীনা তোক্লেন অমনা
লোক্তাক পাৎতা চাক্তাবা
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ।।০ ।।

নসু ঈবুধৌ ঈবেম্মা
তাইবঙ সোরালেন পুম্ববু
কদাইদা করি শোয়গদগে
কদাইদা করি তাহল্লারোই
নমৈবু নয়ানা চিক্কুনা
লানগোনবীরিবা ঈবুধৌ
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ।।০ ।।

খেল্লেনচুমথাং পাখঙবা
থাজনা ফীজং খল্লিবা
কোরৌ থক্তা ঙাল্লিবা
ঈবুধৌ ঈবুংঙো নুংশিবা ।।০ ।।

খংজিনগদবা ঃ-

মথক্তা পীরিবা ঈশৈ অসি লাই হরাউবদগী য়ুমজাও পাফল অমদি মাইবীশিংগী পাতোন জগোয় চৎপা মতমদা শকপা শোনবনা হেন্না ফৈ। অতৈ মতমদা শকপা য়াদে মরমদি খুঞ্জাও লৈচাওই কাওগনু ।।০ ।।

কোনয়াই হুনবগী মখলশিং

১। ঈম্ফাল মখৈদি 'হৌ কংলৈবু' হায়না হুনগনি।

২। অৱাং মখৈদি 'হৌ থাঙৱাইবু লমহল্লো' হায়গনি।

৩। নোংপোক মখৈদি 'হৌ ৱাইরংবু লমহল্লো' হায়গনি।

৪। নোংমাইজিং ৱাংমা মখৈদি 'হৌ সেল্লোইবু লমমহলো' হায়বনি।

৫। লিলোংদগীনা থৌবাল মখৈদি 'হৌ লাংলোইবু লমহল্লো' হায়বনি।

৬। হিয়াংথাংদগীনা ফৌগাকচাও ফাওবা সেগা লম্বীগী সোরোক্কী নোংপোক মখৈদি 'হৌ লানলোইবু লমহল্লো' হায়গনি।

৭। অরোংদগী শুগুনু ফাওবা 'হৌ থরৈবু লমহল্লো' হায়গনি।

৮। শুগুনু মখা মখৈদি 'হৌ লেমলৈবু লমহল্লো' হায়গনি।

৯। লাইরেন শাজিক্তগী ইরেংবম ফাওবা তোংজৈ মরিন সোরোক্কী মনিং মখৈদি 'হৌ লোনলোইবু লমহল্লো' হায়গনি।

১০। ওইনামদগীনা নিংথৌখোং ফাওবা 'হৌ খুরাইবু লমহল্লো' হায়গনি।

১১। নিংথৌখোংদগী মোইরাং ফাওবদা 'হৌ ঙাংঙোইবু লমহল্লো' হায়গনি।

১২। চীং মোইরাংদগীনা মনিং অদু 'হৌ কেগেবু লমহল্লো' হায়গনি।

১৩। লাইশঙ মনুংদা লাইগী হুনবদি মখৈদি 'চীঙুবা লাইকোন্নুং মোংবা য়ুমদাংসাং হৌ কংলৈবু লমহল্লো' অসুম হায়গনি। কাবোদা 'সেনবী' ময়াংদা 'থোংনাং' হায়গনি। ঈস্ফালদা ওইরগনা 'কংলৈবু' হায়বনি।

খংজিনগদবা ঃ-

অমাইবশিংনা য়াম্না চেকশিনবীগদবদি লাই ঈকৌবা অমদি লাইকোন্নুংদা সনা লুপানা কোনয়াই হুনবা মতমদা লম লমগী চান্নবা কোনয়াই কোনথালোন য়েংদুনা হুনবীগনি শোইরবদি লাইথৌ অদু পাঙলোই কাওফদে।।০।।

থা ১২ গী ওইবা চাহৈদবা চিলহৈদবা পোৎশকশিং

১। শজিবু থাদা ঃ- লফুথরো, ফুনিল লাইদা কৎপা অমদি চাবা তৌহৈদে। লাং মতোন চিলহৈদে।

	ফল ঃ-	পুক্লিং ৱাই পাঙ্গল অমদি কুচু মাংই।
২।	কালেন থাদা ঃ-	লোক্লৈ, পুল্লৈ, য়েংখুমান লাইদা কৎপা চাবা তৌহৈদে। কোনবীরৈ চিনবা তৌহৈদে।
	ফল ঃ-	পাঙ্গল, কুচু মাংই।
৩।	ইঙা থাদা ঃ-	কোমপ্রেক চাহৈদে। শংব্রৈ, লৈপাকলৈ চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	হারা থুংই।
৪।	ইঙেন থাদা ঃ-	য়েনপৎ, কক্লা, কোমোন চাহৈদে। হাওরৈ, থারো চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	ৱাথোক ৱায়মই। ঈশিংগী লাইথুং পকএ।
৫।	থৱান থাদা ঃ-	লোক্লৈ পুল্লৈ, কৌখা চাহৈদে। য়েরুলৈ, থারো চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	উশা-লাই লাইথুং পোকই।
৬।	লাংবন থাদা ঃ-	পানখোক, য়েনবুম, তেক্তা চাবা তৌহৈদে। উরিরৈ, নুংঙ্গারৈ চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	পুক লাই, লমহুন পোকএ।
৭।	মেরা থাদা ঃ-	মাইরেন মতোন, তোক্লিংকোক চাবা তৌহৈদে। খারম লৈশোক, পেক্রকলৈ চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	শিংলি শোক্লা পুক্কী লাইথুং পোখএ।
৮।	হিয়াঙ্গৈ থাদা ঃ-	হঙ্গম, পেরুক, উয়েন লাবা চাবা তৌহৈদে। নুমিৎলৈ চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	য়ারি, লৈখা শোকএ অমদি চবুমলাই পোকএ।
৯।	পোইনু থাদা ঃ-	সেবোৎ লিম্নবী চাবা তৌহৈদে। লাংথ্রৈ চিলহৈদে।
	ফল ঃ-	য়ারিদা, চাবুমলাই পোকএ।
১০।	ৱাকচিং থাদা ঃ-	উশোই, শোইজিন, তেংনৌমানবী চাবা তৌহৈদে। লৈরি, লৈশং চিলহৈদে।

ফল ঃ- লাইনা তাথি, শা-ঙানা শাওই।

১১। ফাইরেন থাদা ঃ- ফৈজা, ফকচেৎ, য়েনপৎ চাবা তৌহৈদে। স্নালৈ চিলহৈদে।

ফল ঃ- অহোরাই থুংএ।

১২। লমদা থাদা ঃ- হৱাই থাংপাকপী, কেঙোই চাবা তৌহৈদে। নোংপোক লৈ লংথ্রৈ চিলহৈদে।

ফল ঃ- লমশি শি, ফুগামগী লাইনা পকএ, কম্বীরাই হৌএ।

খংজিনগদবশিং ঃ-

নুপা ওইবশিংনা থাইনা মমাংঙৈদা চাহৈদবা চিলহৈদবা, য়েংহৈদবা, তৌহৈদবা থবক খুদিংমক ঙাক্লা চৎনরম্মী। মরম অদুনা মখোয় মখোয়না তৌজরুবা থবক খুদিংমক্কী ফল অরেম্বা তাই ফত্তে,তৌহৈদে হায়রিবা থবক খুদিংমক্তা কুপ্পা য়েংশিনবা অমদি নৈনবা চুমই। মরম খংদনা অন্ধবিশ্বাসনি হেক হায়জিল্লিবা নুপা নুপী অদু মকোক য়াওদ্রবা শানি॥০॥

থা/ থাগী চৈ কাবা নুমিৎশিং

১। শাজিবু ঃ- নোংমাইজিং,নিংথৌকাবা অমদি থাংজা।

২। কালেন ঃ- লৈবাকপোকপা, য়ুমশকৈশা অমদি শগোলশেন।

৩। ইঙা ঃ- ইরাই, থাংজা অমদি নোংমাইজিং।

৪। ইঙেন ঃ- নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা অমদি য়ুমশকৈশ।

৫। থৱান ঃ- শগোলশেন, ইরাই অমদি থাংজ।

৬। লাংবন ঃ- নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা অমদি নোংমাইজিং।

৭। মেরা ঃ- য়ুমশকৈশ, ইরাই অমদি শগোলশেন।

৮। হিয়াঙ্গৈ ঃ- নিংথৌকাবা, থাংজ অমদি নোংমাইজিং।

৯। পোইনু ঃ- লৈবাকপোকপা, য়ুমশকৈশ অমদি শগোলশেন।

১০। ৱাকচিং ঃ- ইরাই, থাংজ অমদি নোংমাইজিং।

১১। ফাইরেন ঃ- নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা অমদি য়ুমশকৈশ।

১২। লমদা ঃ- ইরাই থাংজা অমদি নোংমাইজিং।

খঙজিনগদবা ঃ- থা/ থাগী চৈ কাবা নুমিৎশিংদা অফবা থবক তৌবা য়াম্না ফৈ হায়বসি ঙসিগী তাইবঙচানা কাওফদে।

অফবা তাবা থবানশিং

চায়োল ৭ কী ওইবা অফবা তাবা থবানশিং মখাদা পীজরি ঃ-

১।	নোংমাইজিং ঃ	৫/ ১০/ ১৫/ ২০/ ৩০	- থবান অফবনি।
২।	নিংথৌকাবা ঃ	৫/ ১০/ ১৫/ ২৪/ ৩০	- থবান অফবনি।
৩।	লৈবাকপোকপা ঃ	২/ ৭/ ১৩/ ১৭/ ২৭	- থবান অফবনি।
৪।	য়ুমশকৈশ ঃ	৬/ ১১/ ১৬/ ২৫/ ২১	- থবান অফবনি।
৫।	শগোলশেন ঃ	৩/ ৮/ ১৩/ ১৮	- থবান অফবনি।
৬।	ইরাই ঃ	৪/ ৯/ ১৪/ ১৯/ ২৯	- থবান অফবনি।
৭।	থাংজ ঃ	১/ ৬/ ১১/ ১৬/ ২১/ ২৬	- থবান অফবনি।

খংজিনগদবশিং ঃ-

চয়োলগী পীরিবা নুমিৎশিং অসিগী মনুংদা পীরিবা থাবনশিং অসি অফবা তাবনিনা অফবা থবক তৌবা য়াম্না ফৈ।

থবানগী মতুং ইন্না চাহৈদবা চিলহৈদবশিং

১। নোংমা পানবা ঃ হৱাই থাংপাক, হয়িৎ, তোর্বোৎ।
লৈনা ঃ চহুই চাহৈ চিলহৈদে।

২। নিনি পানবা ঃ য়েংখুমান, লৈপুংখাংখা।
লৈনা ঃ লৈপাকলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

৩।	হুমনি পানবা ঃ	খামেন, হৈত্রোই
	লৈনা ঃ	লৈহাও চাহৈ চিলহৈদে।
৪।	মরিনি পানবা ঃ	হৈকক, মোতোক্লে, মুলা
	লৈনা ঃ	কাবোক্লে চাহৈ চিলহৈদে।
৫।	মঙানি পানবা ঃ	ওকচাকখোম্বী, হৈজাংনমবোনবী
	হৈখাগোক।	
	লৈনা ঃ	কোম্বীরৈ চাহৈ চিলহৈদে।
৬।	তরুক্নি পানবা ঃ	কম্বোং, মোঞ্জামহৈ, নিম।
	লৈনা ঃ	নুংঙ্গারৈ চাহৈ চিলহৈদে।
৭।	তরেৎনি পানবা ঃ	চেংগুম, হৈরাংখোই, কোনা।
	লৈনা ঃ	লৈশং চাহৈ চিলহৈদে।
৮।	নিপান্নি পানবা ঃ	লোক্লে, যুবী, মরুওইবা অনি অসিনি ওল্লবদি হৈ- লৈ পুন্নমক চাদবানা হেন্না লৈ।
৯।	মাপন্নি পানবা ঃ	ঈশিং কোন্দোন, চুম্ব্রে, খোংক্রম।
	লৈনা ঃ	চিংথ্রাও চাহৈ চিলহৈদে।
১০।	তরানি পানবা ঃ	কেংঙোই, নুরাহৈ, কোলম্নি।
	লৈনা ঃ	খারম লৈশেক চাহৈ চিলহৈদে।
১১।	তরামথোইনি পানবা ঃ	হৱাইউরি।
	লৈনা ঃ	চিলহৈদবা লৈতে।
১২।	তরানিথোইনি পানবা ঃ	য়েলাং, হঙ্গাম, হৈবোং।
	লৈনা ঃ	থম্বাল চাহৈ চিলহৈদে।
১৩।	তরাহুমদোইনি পানবা ঃ	য়েনদেম, চম্প্রা, খামেন।
	লৈনা ঃ	হনুরৈ চাহৈ চিলহৈদে।
১৪।	তরামরিনি পানবা ঃ	কশারি, হৈবা, শগোলহৱাই।
	লৈনা ঃ	মোদোল্লে চাহৈ চিলহৈদে।

১৫। তরামঙানি পানবা ঃ মাইরেল, হৈবুং।
লৈনা ঃ চিলহৈদবা লৈতে।

১৬। তরাতরুক্নি পানবা ঃ ৱাংগন, হৈমাং, তোর্বোৎ।
লৈনা ঃ উরিলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

১৭। তরাতরেৎনি পানবা ঃ তেংনৌমানবী, লৈপুংখাংঙা।
লৈনা ঃ অৱালৈ চাহৈ চিলহৈদে।

১৮। তরানিপান্নি পানবা ঃ কোকন, কাংগৌ।
লৈনা ঃ কবোক্লৈ চাহৈ চিলহৈদে।

১৯। তরামাপন্নি পানবা ঃ কোমপ্রেক, তাউথ্রা থাবী, মুলা।
লৈনা ঃ অৱালৈ চাহৈ চিলহৈদে।

২০। কুন্নি পানবা ঃ য়েনখুমান, হৈখাগোক।
লৈনা ঃ লৈহাও চাহৈ চিলহৈদে।

২১। কুন্মাথোইনি পানবা ঃ শমংতরৈ, নিম।
লৈনা ঃ খুমুক্লৈ চাহৈ চিলহৈদে।

২২। কুন্নিথোইনি পানবা ঃ হৱাইমঙ্গল অমসুং মতোন, হৈখা, কোনা।
লৈনা ঃ কুসুমলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

২৩। কুনহুমদোইনি পানবা ঃ চেংক্রুক, পুংদোন য়ুবী
লৈনা ঃ নুমিৎলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

২৪। কুন্মারিনি পানবা ঃ হৈরাংগোই, খোংদ্রুম।
লৈনা ঃ নুমিৎলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

২৫। কুন্মাঙানি পানবা ঃ হৈতুপ, কোলম্নি
লৈনা ঃ চিলহৈদবা লৈতে।

২৬। কুন্তরুক্নি পানবা ঃ হৈনৌজোম, হৱাইউরি।
লৈনা ঃ নুমিৎলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

২৭।	কুন্তরেৎনি পানবা ঃ	পাংখোম, পাংগোং, হৈনৌ।
	লৈনা ঃ	চিলহৈদবা লৈতে।
২৮।	কুন্নিপান্নি পানবা ঃ	হৈরি, খামেন।
	লৈনা ঃ	কুরাউ মপান চাহৈ চিলহৈদে।
২৯।	কুন্মপন্নি পানবা ঃ	হোংঙু, লফোই, শগোলহৱাই।
	লৈনা ঃ	লফুরিৎ চাহৈ চিলহৈদে।
৩০।	কুনথ্রানি পানবা ঃ	থাবী, মঙ্গ্রা য়েনবুম।
	লৈনা ঃ	পেক্রুকলৈ চাহৈ চিলহৈদে।

খংজিনগদবশিং ঃ-

মথক্তা নোংমা পানবদগীনা কুনথ্রানি পানবা ফাওবগী পীরিবা চাহৈ চিলহৈদবা মচাকশিং অসি চাশিল্লরবদি য়া পুন্সিদে, পুন্সি নুংশাংদে, অশোক-অপন নংই। মরম অদুনা মখোয়শিং অসি তাইবঙ মী ওইবশিং ঐখোয়না ঙাক্লা চৎকদবনি হায়বসি কাওফদে।।০।।

পোৎ পিথোকহৈদবা নুমিৎশিং

চায়োল অমদা নুমিৎ তরেৎনিনা শাই। হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা পীথোকপা য়াদবা পোৎশকশিংদি মখাদা পীরি ঃ-

	চয়োলগী মমিং		পীথোকহৈদবা পোৎ মমিং
১।	নোংমাইজিং ঃ	-	ফৌ, মরু-মরাং।
২।	নিংথৌকাবা ঃ	-	ফীরোল।
৩।	লৈবাকপোকপা ঃ	-	তেৎনৌ, য়োৎ-থাং।
৪।	য়ুমশকৈশা ঃ	-	মালেম লৈপাক।
৫।	শগোলশেন ঃ	-	সনা-লুপা।
৬।	ইরাই ঃ	-	কোরি, পিথ্রাই।

৭। থাংজ ঃ - অহিংবা শা, থৱাই পানবখিবিক পীথোকহৈদে।

খংজিনগদবশিং ঃ-

মথক্তা পীরিবা নুমিৎশিং অসিদা পীথোকহৈদবা পোৎশকশিং অসি পীথোক্লবদি মশা-মশাগী য়ুম অদু নোংমা নোংমগী ওইনা ময়েং তারকই। মীমান্নবশিংগা মীমান্নবা ঙমদে লাইর তাল্লকই। মসি খংনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা চৎকদবনি।।০।।

ঈঙ্খোলদা পুখ্রি লৈবগী মরম

তাইবঙ ওইবা ঐখোয়গী পুন্সিদা লৈতবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরিবা অদুদি ঈঙ্খোল অমা লৈরবদি পুখ্রি অমা শোইদনা লৈফম থোকপনি। মসিগী অফ-ফত্তা পুন্নমক মখাদা পীজরি ঃ-

১। ঈঙ্খোলগী নোংপোক্তা পুখ্রি অদু লৈরবদি মচা পুন্সিদে।

২। ঈঙ্খোলগী মৈরমদা পুখ্রি অদু লৈরবদি অকিবা ফংই।

৩। ঈঙ্খোলগী মখাদা পুখ্রি অদু লৈরবদি য়েক্লবা মশিং য়ামই।

৪। ঈঙ্খোলগী শন্থোংদা পুখ্রি অদু লৈরবদি নুপী খৎনা-চৈনবা য়ামই।

৫। ঈঙ্খোলগী নোংচুপ্তা পুখ্রি অদু লৈরবদি নুপী ফত্তে।

৬। ঈঙ্খোলগী কৌব্রুদা পুখ্রি অদু লৈরবদি শেন্থুম চংদে।

৭। ঈঙ্খোলগী অৱাংদা পুখ্রি অদু লৈরবদি লল থুম চংই।

৮। ঈঙ্খোলগী চীংখৈদা পুখ্রি অদু লৈরবদি মচা-মশুশিং চাওখৎলি।

খংজিনগদবশিং ঃ-

তাইবঙচা ওইবশিংনা মথক্কী অসি খঙনা মশা মশাগী ঈঙ্খোলদা পুখ্রি অসি থল্লবদি মাগী মাগী ইমুং মনুং অদু য়াম্না য়াইফবা অমদি খুঞ্জাও লৈচাওনা পানবা ঙমমি কাওফদে।।০।।

তপথো থবানগী ৱা হায়গে

তপথো থাবান হায়বদি থবান অনি পুবা হায়বনি। হায়রিবা থাবান অসি চয়োল অমগী মনুংদা ওইবশিং অদুদি ঃ-

১।	নোংমাইজিং নুমিৎনা থাবান	৮/১২ নি পানবা।
২।	নিংথৌকাবা নুমিৎনা থাবান	৪/১১ নি পানবা
৩।	লৈবাকপোকপা নুমিৎনা থাবান	২/১০ নি পানবা
৪।	য়ুমশকৈশ নুমিৎনা থাবান	৩/৭ নি পানবা
৫।	শগোলশেন নুমিৎনা থাবান	৫/৬ নি পানবা
৬।	ইরাই নুমিৎনা থাবান	৫ নি পানবা
৭।	থাংজ নুমিৎনা থাবান	২/৮ নি পানবা

হায়রিবা থাবানশিং অসি তাবা মতমদা লাইথৌ অমদি লুহোংবনচিংবা অফবা অমত্তা তৌহৈদে মরমদি নুমিৎ অসিদা থৌরমশিং অসি পাংলবদি অনা-অয়েকনচিংবা থোকনবদি ঙকনবা ঙমদে কাওগনু।।০।।

খংজিনগদবশিং ঃ-

অতোপ্পা অমনা শাজাও চাবা নুমিৎশিং হায়বদি ইরোই, ষণ, শগোল, শমু অমদি মী চাবা থাবানশিং হায়বদি ৬/৭/৮/৯/১০ নি পানবশিং অসিদি লাইথৌশিং ফৎতে, ঈ-খুদেং, লাই-খুদেং তাই অদুনা লাইথৌ পাঙবা ফৎতে। খুঙ্গংশিং অদু চাহোং ঙাহোংদে, মীশি-মীনা য়াম্না থোককল্লি, খুঞ্জাও-লৈচাওদে হায়বসি ঐখোয়না কাওফদে।

তখেল/ ঙাইরৌ/ খুনুংনে লৈবাক অহুমগী চৎনা পথাপ

হৌজিক্তি লৈবাক অহুম হায়বদি তখেল, ঙাইরৌ অমদি খুনুংগী ওইবা মাকমৈ (চৎনা পথাপ) অদু মখাদা পীরি। লাই থৌনিবগী ৱা হায়গে।

১। থাহন নোংমদি লাইনা লাই চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

২। নিনি পানবনা য়েন চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

৩। হুমনি পানবনা ঙানু চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

৪। মরিনি পানবনা হুই চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

৫। মঙানি পানবনা ওক চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ। সনা য়ুমবীদি হাপহৈদেয়ে।

৬। তরুক্নি পানবনা ষণ চাইয়ে। ঈ খুদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে।

৭। তরেৎনি পানবনা ইরোই চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খুদেং লৈএ। মীসু অহুম সিএ।

৮। নিপান্নি পানবনা শগোল চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈশেংএ সনা য়ুন্বীদি হাপহৈদেয়ে।

৯। মাপন্নি পানবনা শমু চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে।

১০। তরানি পানবনা মী চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ। সনা য়ুন্বীদি হাপহৈদেয়ে।

১১। তরামথোইনি পানবনা লাইনা লাই চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

১২। তরানিথোইনি পানবনা য়েন চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খুদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে।

১৩। তরাহুমদোইনি পানবনা ঙানু চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খুদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে। মীসু অহুম চাইএ।

১৪। তরামরিনি পানবনা হুই চাইয়ে। মীসু মরি চাইএ।

১৫। তরামঙানি পানবনা ওক চাইয়ে। ঈ খুদেং লৈএ ঈদি ঈচমনে।

১৬। তরাতরুক্নি পানবনা ষণ চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

১৭। তরাতরেৎনি পানবনা ঈরোই চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

১৮। তরানিপান্নি পানবনা শগোল চাইয়ে। ঈ খুদেং লৈএ। মীসু মরি চাইএ।

১৯। তরামাপন্নি পানবনা শমু চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

২০। কুন্নি পানবনা মী চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ। সনা য়ুন্বীদি হাপহৈদেয়ে।

২১। কুন্মাথোইনি পানবনা লাইনা লাই চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

২২। কুন্নিথোইনি পানবনা য়েন চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ। সনা য়ুন্বীদি হাপহৈদেয়ে।

২৩। কুনহুমদোইনি পানবনা ঙানু চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খুদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে।

২৪। কুন্মরিনি পানবনা হুই চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খুদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে।

২৫। কুন্মাঙানি পানবনা ওক চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

২৬। কুন্তারুক্নি পানবনা ষণ চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

২৭। কুন্তরেৎনি পানবনা ঈরোই চাইয়ে। মাকমৈয়দি ঈ খুদেং লৈএ। ঈদি ঈচমনে।

২৮। কুন্নিপান্নি পানবনা শগোল চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

২৯। কুন্মপন্নি পানবনা শমু চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

৩০। কুন্থ্রানি পানবনা মী চাইয়ে। মাকমৈয়দি শেংএ।

হৌজিক্তি থৌৰানমিচাক অচং অথোক ৰা হায়গে।

অচংবদি ৬/ ১১/ ১২/ ১৫/ ১৬/ ১৭/ ২০/ ২১/ ২২/ ২৫/ ২৬/ ২৭ ॥০॥

অচং অথোক য়াননবদি ১/ ৪/ ৭/ ৯/ ১০/ ১৩/ ১২ ॥০॥

অথোকপদি ২/ ৩/ ৮/ ১৪/ ১৯/ ২৪ ॥০॥

মমিৎ তাংবা থৌৰান মিচাক ৪/ ৮/ ১২/ ১৬/ ২০/ ২৩/ ২৭ ॥০॥

মমিৎ নাম্মা তাংবা ২/ ৬/ ১০/ ১৪/ ১৮/ ২২/ ২৫ ॥০॥

মিৎচেৎ নাবা ১/ ৫/ ৯/ ১৩/ ১৪/ ১৭/ ২১ ॥০॥

মমিৎ তাংদবা ৩/ ৭/ ১১/ ১৫/ ১৯/ ২৬ ॥০॥

থৌৰান মিচাক অচংবদা পোৎ-চৈ লৌশিনবা ফৈ॥০॥

অথোকপদা পোৎ-চৈ পিথোকপা ফৎতে॥০॥

অচং অথোকপদা পোৎ-চৈ পিথোক পিশিন তৌবা ফৈ॥০॥

থৌৰানমিচাক মমিৎ তাংবদা পোৎ মাংখ্রবদি পোৎ অদু নক্লা লৈ থুনা ফংই॥০॥

মীচেৎ নাবদা পোৎ মাংখ্রগনা পোৎ অদু তন্না ৱাই, থিন্না ফংই॥০॥

মমিৎ তাংবদা পোৎ মাংখ্রবদি ফংঙরোইএ ।।০।।

থৌৰানমিচাক ১/৫/৭/৮/১৩/১৫/১৭/২২/২৭ অসিদি লাইনি।।০।।

থৌৰানমিচাক ৩/৯/১০/১৪/১৬/১৮/১৯/২৩/২৪ অসিদি হিংচাবা হিংচাবীনি খংও।।০।।

ঈ খুদেং লৈবা থাবান ৪/৬/৭/৮/৯/১০/১৩/১৪/১৫/১৬/১৭/১৮/১৯/২০ নি ঈ খুদেং লৈ। থাবানশিংশিদা লাইগী ওইবা থৌরম খিবিক তৌবা ফত্তে।

খংজিনগদবশিং ঃ-

লাইথৌ পাংদে হায়রগা লাইথৌ হেক্তা পাংলবদি খুন্তাক লানশি, চাহোং ঙাহোংদে। লৈকাই খুন্থক-খুনখ মনিল নাই হায়বসি কাওফদে।

সলাই তরেৎকী মপোক থা অমদি হৈ-লৈশিং

ঐখোয় তাইবঙচাশিং অসি মাগী মাগী ওইবা কাংলুপ খাই। মসিবু লিশাংশিংনা মৈনা ৰাই তাং-না শমদুনা 'মৈডিংঙু নোংদা লাইনে পাখঙব'দগী হৌদুনা লাকই। অসুম্না অসুম লাকপসিবু সলাই খাইবা কৌই। মৈতৈসু অসুম্না সলাই ৭ থোক্লা খাইদোকই। মখোয়শিং অদুদি মখাদা পীরি ঃ-

১। মঙাং
২। লুৱাং
৩। খুমন
৪। অঙোম
৫। মোইরাং
৬। খা-ঙানবা
৭। সলাং লৈশাংথেম

মখোয়শিং অসিগী মচাকশিং মখাদা পীরি ঃ-

১। মঙাং সলাই ঃ- ইঙা থাগী থানিল (১৫) পানবা শগোলশেন নুমিৎ।

ঈশিং - নুংজেংদগী শোকই

লা - থম্না খেঙ্গোং

লৈ - থম্বাল অঙাংবা চাম্মা নিপান

হৈ - থমচেৎ

শিং - শয়ি।

২। লুৰাং সলাই ঃ- ৱাকচিং থাগী ১২ নি পানবা ইরাই নুমিৎ।

ঈশিং - লম্ফেলদগী শোকই

লা - লায়াই

লৈ - মেলৈ

হৈ - কিহোম

শিং - হৈক্রু

৩। খুমন সলাই ঃ- শজিবু থাগী থানিল (১৫) পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎনি।

ঈশিং - পুমলেন পাৎতগী শোকই

লা - চংবী/ ক্লাক্লা

লৈ - লৈশং

হৈ - হৈবোং

শিং - চাওখোং।

৪। অঙোম সলাই ঃ- ইঙেন থাগী ১২ পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ।

ঈশিং - কোংবা মৈরোম্বীদগী শোকই

লা - লায়াই

লৈ - থরো অঙৌবা

হৈ - হৈবোং

শিং - উপন।

৫। মোইরাং সলাই ঃ- লমতা থাগী ১২ নি পানবা থাংজ নুমিৎ।

ঈশিং - লোক্তাকতগী শোকই

লা - খাঙ্গ্বা

লৈ - য়েরুমলৈ

হৈ - কাংগ্রৌ

শিং - কুহি।

৬। খা-ঙানবা সলাই ঃ- কালেন থাগী থানিল (১৫) পানবা নোংমাইজিং নুমিৎ।

ঈশিং - লৈতাংদগী শোকই

লা - লৈহৌলা

লৈ - লৈশং

হৈ - হৈবা

শিং - চীংয়েনশিন।

৭। সরাং লৈশাংথেম সলাই ঃ- ফাইরেন থাগী ২৬ পানবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ।

ঈশিং - তাকয়েন্দগী শোকই

লা - চংবী লায়াই থম্না ইতাবা

লৈ - লৈশং

হৈ - হৈ মনম নাইবা

শিং - নোংলৈশং।

মথক্কী পোৎলমশিং অসি মশা-মশাগী অপোকপগী লাইথৌদা চংবা পোৎলমশিংনি হায়বসি তাইবঙচাশিংনা কাওদনা চৎপা যাম্না ফৈ।

ফক্তা ষণ/ হুইনা কাবগী ফৌকৌলোন

ঐখোয় তাইবঙচাশিংনা খংজিনবীগদবা, লৌবুক্তা ফৌ য়ৈরিঙৈদা ফক মথক্তা ষণ/ হুইনা কাখৎতুনা চৎখ্রবদি ফৌকৌবা হায়বা অমা হেক হেক অহল-লমনশিংনা তৌনৈ। মসিগী মরমশিং হৌজিক্কী লাইশোন হায়গে ঃ-

মনুংয়াবীরোক্না নোংদ্রেন লাইরেন পাখঙবনা হোংইগিদি হোংনা ঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।
মহুইরোন লাইস্নানা হোংইগিদি হোংনাঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।
মহুইরোন ইমোইনু অহোংবীনা হোংইগিদি হোংনাঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।
মাহুইরোই হাংনুখুনা হোংইগিদি হোংনাঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।
মহুইরোই হাওনুহন্না হোংইগিদি হোংনাঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।
মহুইরেই লাইতোংখুনা হোংইগিদি হোংনাঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।
মহুইরোই লাইতোংহন্না হোংইগিদি হোংনাঙমদে।
চাওইগিদি চাওনাঙমদে।

পুংনম খুনৱাইরংবা মাইবা খুন অতেংবা অয়াংখুললেন খুনথকপু চাওনসে হায়বগীদমকপু নসু হেবংথৌ হেবেন্মশিংনা ঙসি কোরৌ নুমিৎ য়াইফাবা অসিদা ইবেন লোইমোম ফৌওইবী নংবু ফৌকৌজরিয়ে। তরা চানিংখকনা চাকশৌবীয়ু। ৱাংলৈ য়ুনিংখাক্লা য়ুশৌবীয়ু। ইবেন্মা নংনা ফকলোং চরাইথক্তা, তুরেল লৈঙোই হাবগুম হাজিনবীরমও ইবেন্মা।।০।।

অসুন্না হায়জরগা ইমা ইবেন্মা ফৌওইবীবু খুরুমজগনি হায়না পুয়াগী লাতন্না ময়েক শেংনা হায়রি।

খংজিনবদা কান্নাবশিং ঃ-

লাই হরাউবগী হোই লাউবা করিনো ঃ

ঐখোয় তাইবঙচাশিংনা লাই হরাউবগী হোই লাউবা অসি অসুন্না খংনৈ। মদুদি অশিবনা মালেম শেন্বা লোইরগা তাইবঙপান অসিদা থৱাই পানবা শেন্বাগী মরমদা নুংবঙননা লৈরিঙৈদা তাইবঙ শেন্বা মপুনা ময়া কথোক্কুনা পীপুক্লুংদা

তাইবঙপানবদা পানগদবা থৱাই পানবা পুম্নমক উৎপীবা অদু উবদা অশিবনা নুংঙাইবগা লোয়ননা লাউদুনা হৌদোক্লককপা অদুবু 'লাই হোই লাউবা' কৌই।

শরোই খাঙবা হৌদোক্লম্বা ঃ-

ঐখোয় তাইবঙচাশিংনা ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা ৱাহৈ অদুদি শারোই খাঙবা হায়বসিনি। মসিগী থৌরমলোন অসি অয়াম্বনা লমতা থাংজা অহানবা, লমতা থাংজা অরোইবা, শজিবু থাগী অহানবা,য়ুমদা লৎনরিবা লাইথৌশিং অমদি খুঙ্গংগী কোনবীরীবা পালেম পনথৌবু হরাও শকশোন তম্বদা য়াম্না তোইনা শিজিন্নৈ। হায়রিবা থৌরমলোন অসিবু কনাগী হাক্তক্তগী হৌদোকলম্বনো হায়রবদি কোরৌ নোংদোল অৱাংবা নোংথৌ সোরালেনগী লাংওন ওইবী কংলৈলেনগী মশাবী 'শৱাং সনা মহিরেল' হাক্তক্তা হিগোক কুমলং লেন্না হয়িচক্কী মতমদা হোদোকলম্বনে।(লাংদাই পুয়া লমাই ১৩৭)॥০॥

হরাউবা হৌদোকখিবা ঃ-

ঐখোয় তাইবঙচানা ইবুধৌ অমদি ইবেন্ধৌ অনিগী হরাউবা হৌদোকখিবসি হয়িচক্কী চহি ২৫ সুবদা য়াইবীরেল শিদবনা হরাউবা হৌখি। মসিগী মথংদা পাখঙবগী মচা 'পোংখ্রংবনা' হৌখি। মসিগীসিগী মতুংদনা শারোই খাংবা হৌদোকখি। (লংদাই পুয়া ১০৮) ॥০॥

লাইরোলগী ওইবা লাইগী ফম্লোনশিং ঃ-

১। লাই শেল্লুংবা - লাইগী থৌরম পুম্নমক শিনগনি/ পুগনি।
২। চৌবোন - লাইগী মরম য়েংশিনগনি।
৩। শিঙলোই - শিঙগী মরম য়েংশিনগনি।
৪। লারোই - লাগী মরম য়েংশিনগনি।
৫। শাঙ্কোইবা - ৱালোফমগী মরম য়েংশিনগনি।
৬। অহল্লুপ পানা - নুপাগী খৎনা-চৈনবা থোক্তনবা য়েংশিনগনি।

৭। নহারুপ - নুপীগী খৎনা-চৈনবা থোক্তনবা য়েংশিনগনি।

৮। পাখঙ লাকপা - নুপা থৌগল্লোইশিং য়েংশিনগনি।

৯। নিঙোল লাকপা - নুপী থৌগল্লোইশিং য়েংশিনগনি।

মথক্তা পীরিবা ফমলোনশিং অসি খুঙ্গং খুঙ্গংগী লৈরিবা লাই হরাউফমশিংদা মশিং অসি সুনা হাপ্তুনা সনা কোনুংদগী অয়াবা লৌগদবনি।

খঙজিনবদা কান্নরবশিং খরা (খ)

(ক) লাইদা লৈ কৎপদা মহৈ ফংবা ঃ

নুমিত্তা- অঙাংবা জুবাকুশুম কৎকনি।

থাংজ লাইরেম্বী (শনি) - অমুবা কৎকনি।

মশাগী মপোক পুবা - অমুবা কৎকনি।

পাহ্নোইবী - উতোংলৈ, চন্দ্রমুখি কৎকনি।

নোংপোক নিংথৌদা - শাগোই হিদাক অমুবা কৎকনি।

(খ) শেল খুল্লকপদা নুপীদা শিন্নবগী ৱারোল ঃ

শেল ফংলকপদা নুপীদা শিন্নরগা উপু মনুংদা হাপচিল্লি। হি-য়াই অসিগী মপান্না ৱাত্ত-পাদবা ওইদুনা ইপা-ইপুগী থৌগল ফংজবা ঙম্বরা হায়দুনা থমজবনি। ''চরৈ ফিগাও শাদুনা ইমা ইমোইনুনা লেঙদনা লৈবগুম্না অতাননু মহাক্না তানশিল্লক, অহুমনু মহাক্না হুমজিল্লক, অরৈনু নঙনা লৈশিলবীদুনা ননাই ঐহাক্কী (মীং) ইশাইকোন্দা লৈজবা তরেৎ শেঙ্গাগী লৈফমদা লেঙদনা লৈবীয়ু। ৱাত্ত-পাদবা ওইদুনা ইপা-ইপুগী থৌগল মপুং ফাবা ঙমহনবীয়ুকো।

অসুম হায়না য়ুম অদুগী য়ুম্বুরেম্বীনা তরেৎ শেঙ্গা অদু লৌশিন্দুনা থন্ফম চানা থমজিল্লবদি ইমুং অদু নুংঙাই য়াইফাবা, ৱাত্ত-পাদবা ওইবা ঙম্মী হায়না লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু-মাইচৌশিংনা থম্বীরম্মী।

(গ) য়াচংবদা থাউমৈ থানবগী ৱারোল -

হয়ি হয়া, হে তাইবঙপানবা মপু, লাইনিংথৌ অপোকপা পোকলেন পোকপা, শাৎলেন শাবা, মপু মহাক্কী নশাইগোন্দা চেন্না চোংদুনা শান্নজরিবা নসু-নচা ঐখোয় নুমিদাংগী মতমদা ঙান্না কোনশিনবিদুনা থম্বীয়ু। চীংউ খোয়য়ুম

লাইয়াম পুন্নমক্কী য়াইফ থৌজাল য়াথং কোলোই পীবিদুনা লনকুবিয়ু পুন্সি নুংশাংবা ব্রাৎত পাদবা শেৎনা খাইনদবা, মীকপ-মীরাওখোল থোক্তববু থৌজানবিয়ু। পূন্নমকশিং অসিবু মপু মহাক্লা কুবিয়ু।

(ঘ) ফি হৌবা, কক্‌পা তাইবা অমদি ফি অহানবা শেৎপা

ফি হৌবা অফবা নুমিত্তি - য়ুমশকৈশনি।

ফি লোইবা অফবা নুমিত্তি - নিংথৌকাবনি।

ফি ককপা অফবা নুমিত্তি - শগোলশেলনি।

ফি তাইবা অফবা নুমিত্তি - ইরাইনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - ইশাগী ওইয়ু য়াদে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - অফবা নুংঙাইবা ফংই।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - লাইগী তাই ফত্তে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - হকচাং য়েন্নিং চোংই।

শগোলশেন নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - মহৈ-মশিং য়াম্না ফৈ।

ইরাই নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - থবক চৎপদা মীনা ঙম্মী।

থাংজ নুমিত্তা অহানবা শেৎপদি - মীরক তিন্নবদা ইকাই নুংশি য়ান্নে।

(ঙ) শিরগা থব্রায়না চৎফম পুথোকপা

নুমিৎ মশীং (নোংমাইজিং-১) নে,+ থবান্নে +৩৫ নে পূন্না তিনশিন্নরগা ৩ না য়েনবদা

১ - লেম্লবদি কোরৌদা চৎলি। লাইরৈপাক ফংই।

২ - লেম্লবদি পাতান্দা চৎলি। পাপ চেল্লি, শরংদা লৈ, চাবা ফংদ্রদুনা মমিৎ কুৎনা লৈ খংউ।

৩,০- লেম্লবদি য়ুমদুদা পোকই। মচা মশুদা অমুক হল্লকই।

হোৎপগী মওং ঃ-

নুমিৎ মশীং (য়ুমশকৈশ)	-	৪
থবাননা	-	২৩ (+)
		২৭
পূন্না তিনশিনগদবা	-	৩৫ (+)

য়েনগদবা - ৩)৬২ (১০
৩
———
২ লেম্বা

মতৌ অসুম তৌদুনা মমাংঙৈগী ইপা-ইপু-মাইচৌশিংনা খোৎতুনা য়েংবসি চৎনরম্মী।

নোংথাংলৈমা লৈফম

মমাংঙৈগী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং থম্বীরম্বা লিক্লম-লিখুলগী মতুং ইন্না নোংথাং লৈমা হায়বা লাইরেম্বী অসিদি কোরৌথক্তা লৈবা অপাইবা লাইরেম্বী ওইনা লৌনরম্মী। খুদম ওইনা পাল্লাবদা মীগী মীরোলদা "জুগনি নোংথাং" হায়বদি কোরৌথক্তা নোংপোক নোংচুপ, অৱাং-খা, চিংখৈ-মোইরাংলাইজি অমদি মৈরম কৌব্রুদা পুন্না পুন্না মমিৎ হেক হেক খাকপা লাইরেম্বী অদুনি হায়না লৌনবসু হেক হেক য়াওই। অদুবু অমবু ওইরে অমবু ওইরে নোংথাংলৈমা হায়বদি মপু মহাক্কী মনাক্তদি য়ৌবা ঙমদবা অমসুং মালেমদসু লৈবা য়াদবা লাইরেম্বীবু নোংথাং লৈমা লাইরেম্বীনি হায়না ইপা ইপুশিংনা মৈনা ৱাই তাংনা শমদুনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা লাইরেম্বী অসিনা লৈবা মাইকৈদা তাইবংচা ওইবশিংনা চৎলবদি চৈবী চৈথেং য়াম্না পী অমদি অৱা অনা তাহল্লি। ইমা ইবেম্মনা লৈবা মাইকৈ অমদি থবালশিং মখাদা পীরি।

১।	নোংপোক্তা লৈবা থবালশিং	-	১।৯।১৬।২৪ নি।
২।	অৱাংদা লৈবা থবালশিং	-	২।১০।১৭।২৫ নি।
৩।	মৈরমদা লৈবা থবালশিং	-	৩।১১।১৮।২৬ নি।
৪।	শহ্নোংদা লৈবা থবালশিং	-	৪।১২।১৯।২৭ নি।
৫।	মখাদা লৈবা থবালশিং	-	৫।১৩।২০।২৮ নি।
৬।	নোংচুপ্তা লৈবা থবালশিং	-	৬।১৪।২১।২৯ নি।
৭।	কৌব্রুদা লৈবা থবালশিং	-	৭।১৫।২২ নি।
৮।	চিংখৈদা লৈবা থবালশিং	-	৮।২৩।৩০ নি।

হায়রিবা থবালশিং অসি ইমা নোংথাং লৈমনা লৈবনিনা য়ুমগী, য়ীয়ামগী

ওইবা শঙ অমদি লাইগী ওইবা শঙলেন্দা উরেপ উযুং তন্বা ফত্তে অমদি তৌহৈদে মরমদি মৈহৌ লাংপোক য়াম্না নংই। হায়বদি অফবা থবক থৌরমশিং পাংবদা য়াম্না ফত্তে হায়দুনা লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংনা ময়েক লানা ইদুনা থন্বীরম্মী।

উমংলাই মাপলগী হৌরকফম :-

ইঁ হৈ হৈয়া হৈয়ি হায়দুনা মাংলমচৎকী লিচৎপু খরদং শৈথাদুনা খুৎই তমজরি। নহাননোং অতিয়া সিদবনা মালেম অসিদা লৈরিবা তাইবঙ ওইবশিংনা উমংলাই মাপল অসি কদাইদগী কমদৌনা হৌরক্লিবনো হায়বদু খঙলসনু হায়দুনা অসুম্না তাকপীখি। অতিয়া সিদবা ঐহাক্তি ইতিক য়াম্না চাওবনি খংহল্লম্লগে খন্দুনা সিদবগী হকচাং অসিগী থোংলোন মাপলবু উমংলাইগী মরু ওইবা মাপল ওইনা পুথোকপীরম্মী। মখোয়শিং অদু অসুম্না মখাদা খুৎই তমজরিবসিনি-

১। মীৎ য়েত্তগী ঃ- ‘‘লাইনিংথৌ হনবা’’ ওইনা পুথোক্তুনা লমলেন লমদম খুরাই চিংগাংবম লৈকাইদা খুনথোকহনবীখি অমদি শলাই ৭ পু কোন্দুনা লৈহনখি।

২। মীৎ ওইদগী ঃ- ‘‘মুংবা নিংথৌ’’ ওইনা পুথোক্তুনা কংলাদা খুন্থোকহনবীখি অমসুং শলাই ৭ পু কোন্দুনা লৈহনবীখি।

৩। নাকোং য়েত্তগী ঃ- ‘‘মোংবা হনবা’’ওইনা পুথোক্তুনা লম্লেন লমদম সনা লোনুংগী নোংচুপ থংবা ইন্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবদা খুন্থোক্তুনা লৈহনখি।

৪। নাকোং ওইদগী ঃ- ‘‘নাউকল’’ কৌবা ইবুধৌবু পুথোক্তুনা সনা লৈবাক অসিদা খুন্দাহন্দুনা তাইবঙগী মচা মনাই য়েক তরেৎপু কোন্দুনা থন্বীরম্মী।

৫। নাতোন য়েত্তগী ঃ- ‘চাখাবা’ কৌবা ইবুধৌবু পুথোক্তুনা সনা লৈবাক অসিদা খুন্দাহন্দুনা তাইবঙবু কদাইদা শোয়খিগদগে হায়দুনা য়াম্না মতিক লৈনা কোন্দুনা থন্বীরম্মী।

৬। নাতোন ওইদগী ঃ- “কৌবারেল” কৌবা ইবুধৌ মতিক ময়াই য়াম্না লৈববু পুথোকপীদুনা হায়বদি লাংওনবীদুনা থন্বীরম্মী।

৭। য়াদগী ঃ- “খল্লাংবা” তৌথা ইবুধৌ মতিক য়াম্না লৈবা অসিবু পুথোকপীদুনা লমলেন খুল খরদা মচা মনাই কয়াবু কোন্দুনা থন্বীরম্মী।

৮। অতিয়াসিদবগী ঈশিং থোংদগী ঃ- “লুৰাং পুন্সিবা” কৌবা ইবুধৌবু পুথোক্তুনা অমদি মতিক ময়াই হাপচিনবীদুনা লম্লেন লমদম লুৰাংশাংবমদা খুম্থোকহনবিখি অমসুং শলাই ৭ পু কোন্দুনা থমহনবীখি। মসিগী মতুংদা লম্লেন খরদসু মচা মনাই কোনহন্দুনা খুনথোকহনখি।

৯। অতিয়া শিদবগী পেংথোংদগী ঃ- “মারজিং” ওইনা পুথোকপীদুনা অমদি লাংওনবীদুনা লম্লেন লমদম হৈঙাং চীংদা খুম্থোক্তুনা মাইকৈ ঙাকপা ওইনা থৌয়াম পুহন্দুনা থন্বীখি। অসিদসু নত্তুনা লম্লেন খরাদি মচা মনাই শলাই ৭ মকপু কোন্দুনা খুম্থোকহনবীখি।

মতৌ অসুম তৌদুনা অতিয়া সিদবগী মরুওইবা থোংলোন মাপনবু উমংলাই মাপল হায়না থোনবীদুনা ঙসি-ঙসি ফাওবদা মৈনা ৰাই তাংনা শমদুনা অসুম অসুম চৎনদুনা লাক্লি। অমদি পুয়াগী ওইবা লাতমদা খুৎয়েক লানা ইদুনা থন্বীরম্মী।

উমংলাইগী চাবোক খা ঃ-

ইঁ হৈ হৈয়া হৈয়ি হায়দুনা নহাননোং মাংলমচৎকী ৰারীবু তোল্লবা ননাইনা খুৎয়েক তমজবদা অরান অহুই কয়া য়াওরবসু ঙাকপীয়ুকো তাইবঙ মপুনা। অতিয়া সিদবনা মহাক্কী অঙম্বা মতিক ময়াই ময়াম অসিবু খঙহৌরসনু খন্দুনা মালেম অসিগী মাইকৈ মরী অমদি সুংদাই নিপালবু পুরিবা ইবুধৌশিং অসিবু অমুক পুথোকপীরে। মখোয় অদুদি করম করম্বা মতিক ময়াই লৈবনো হায়রবদি মখাদা অসুম্না তাক্লি।

লাইগী মমিং মহাক মহাক্না পুরিবা মাইকৈশিং

১। নোংপোক নিংথৌ - নোংপোক মাইকৈ পুরি অমসুং ঙাক্লি।

২। পননম নিংথৌ - মৈরম মাইকৈ পুরি হায়বদি নোংপোক অমদি খাগী সুংদাইবু পুরি লোয়ননা ঙাক্লি।

৩। খানা চাওবা ৱাংব্রেল - মখা মায়কৈ ঙাক্লি অমসুং পুরি।

৪। থাংজিং - খা অমদি নোংচুপকী কারক মোইরাং লাইজি ঙাক্লি অমসুং পুরি।

৫। লোয়ালাকপা - নোংচুপ মায়কৈ পুরি অমসুং ঙাক্লি।

৬। কৌব্রু - নোংচুপ অমদি অৱাংগী ওইবা শুংদাই অসিদা খুন্দাদুনা ঙাক্লি অমদি পুরি।

৭। মার্জিং - অৱাং মায়কৈ ঙাক্লি অমসুং পুরি।

৮। অতিয়া (চিংখৈ) কুরু সিদবা -অৱাং অমদি নোংপোক অনীগী ওইবা সুংদাইদা (চিংখৈদা) ঙাকপীরি অমদি পুরি।

৯। সোরারেন - কোরৌ নোংদোলবু পুদুনা ঙাকপীরি।

১০। পাখংবা - মালেম অসি পুদুনা ঙাক্লি।

১১। খম্নুং লোনজা - লৈনুং মাইকৈ অসি পুদুনা ঙাক্লি।

১২। য়াই মরু সিদবা - কোরৌ অমদি মালেমগী ওইবা ময়াই অসি পুদুনা য়াম্না লাপ্না লৈ।

মতৌ অসুম্না মাইকৈ মরি সুংদাই নিপাল মকপু পুরিবা ইবুধৌশিংগী মমিং অসি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা লাতমদা খুৎয়েক তমদুনা তাবুনুংদা চেৎনা থম্বীরম্মী। তাইবঙ ওইবা ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা কাওফদে অমদি তুংওইনফদে হায়জনিংই।

চেংফুদা চেং হৈজিনবগী ৱারোল

ঙসিগী তাইবঙপান অসিদা খুন্দাদুনা লৈরিবা য়েক ৭ শলাই ৭ কী ওইবা মচা মশুশিংনা মৈনা ৱাই তাংনা শমদুনা অদুম্মক লৈহৌরগদবা অমদি মুৎলরোইদবা লিক্লম অমনি হায়জনিংই। যুম অমা লিংলবদি চেংফু অমা থম্না

হায়বসি শোয়বা য়াদ্রবা লিচৎনি। চেংফু ওইনা তাইবঙনা উরিবা অদু কনাগী য়াথোকপনো হায়বসি কাওবীদবা ফৈ হায়জনিংই। কনা কনাগুম্বনা চেংফুদগী চেং লৌবদা চেংফু অদু মখোন থোকহনবা য়াওই মসিমক য়াম্না তৌহৈদবা লিচৎ অমনি হায়জনিংই। মসিদসু নত্তনা চেংফুগী ময়াদা চৎপদা চৎপগী শাহুম ফুহনবা কয়া অমা, অঙাংশিংনা খোঙনা শোকপা কয়াসু য়াওই। পুম্নমকশিং অসি য়াম্না ফত্তে। হায়জনিংই। মীয়াম্না মীৎতা উরিবা চেং হাপ্পা পাত্রবু চেংফু ওইনা উনরি। মসিদা উরিবা চেংফু অদু নত্তে হায়জনিংই। মফম অসিদা লৈরিবা লাই অসি কনানো হায়বদু খঙমিন্নবা অমা চঙই। মফম অসিদা শাথোকইবা ইমা অসি মতিক য়াম্না লৈবনি হায়জনিংই। মমিং ওইনা পঞ্জরবদা য়ুমগী মাংশোক কাজাও য়ারিবী ইমা লৈমরেলনি। ইমানা ফুংনাকতা লৈরগা ইমোইনু কৌই। ইমানা অমুক চেংফু মখোঙদা লৈরগা মতিক ময়াই য়াম্না চাউই হায়দুনা অরৈনু অহোমনু অখোমনু সিদবী হায়না কৌই। তাইবঙচাশিংবু চায়োক নাওয়োকপী ইমানি হায়বসি নীংশিংবিগদবনি।

ইমাগী মশাইকোন্দা তরা চেংজেল অদু হৈজিনবদা অসুম্না পীবুকনুংদা খন্দুনা চেংজেল অদু হৈজিনবীগনি। মতম অদুনা ইমানা হরাও-হরাওনা লানকুবীগনি।

ৱারোলদি ঃ

ইমা অরৈনু নঙনা লৈশিনবীয়ু হুঁ কুক, কুক, কু, ।০।
ইমা অহোমনু নঙনা হোমজিনবীয়ু হুঁ কুক, কুক, কু, ।০।
ইমা অখোমনু নঙনা খোমজিনবীয়ু হুঁ কুক, কুক, কু, ।০।

মতৌ অসুম্না ইমা অসি তুমলমদাইগী মতমদা মৈরা মেংক্রুপ লাঙদুনা থৌনিবিয়ু, নুমিৎ খৃদিংগী অয়ুক অমদি নুমিদাং য়াচংবদা মৈরা মেংক্রুপ লাঙবিয়ু। অসিদসু নত্তনা ঐহাক্কী তরেৎ শেঙ্গা তাল্লকপসু তরেৎ শেনগাওদা হাপচিনবদসু পীবুকনুংদা খনবিয়ু লোইননা অয়ুক্কী য়াহৌবদা খোঙ লৈবাক তাদ্রিঙৈদা পীবুকনুংদা খনবিদুনা মালেমদা খৃৎনা শোক্লগা লাইবক্তা শোক্লগা নোংমগী ওইনা শোঙশানবসু য়াম্না ফৈ। অরোইবদা হায়জনিংবদি ইমা অসি থা-থাগী ওইনা নুমিৎ অফবা হায়বদি থবাল্লোন অফবা নুমিত্তা চেংফুগী মমাঙদা অথেমপোৎ শেমদুনা মৈরা মেনক্রুপ

লাঙদুনা কৎপীবসু ইমুং অদুগী য়াম্না ফবা, চাহোংবা ইমুং অমা ওইহল্লি হায়দুনা লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংনা লাতমদা খুৎয়েক শেংনা খুৎই তমদুনা থন্বীরম্মী। পুম্নমকশিং অসি ঙসিগী তাইবঙশিংনা লৎনহৈদে।

নিঙোল ওইবীগী অহানবা থাগী লৈশাংকী অফ-ফত্তবা ৱারোল

ঙসিগী তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা তাইবঙচাশিংনা হেক হেক কাওবীরোইদবদি অতৈ করিসু নত্তে হায়জনিংই। তাইবঙগী লৈকোন্দা লৈশাং ওইনা তম্নক্লবী নুপী ওইবীগী য়াম্না চেকশিনগদবা অমদু হয়েং তুংলমচৎকী ওইগদবা ৱারোলনি হায়জরি। ঙসিগী তাইবঙনা নুপী অমবু মপুং মরৈ ফারে হায়বসি কদাইদা খঙনৈ। নুজা ওইবী অদুনা মহাক্কী মশাগী ওইবা থাগী লৈশাং হেক উবা মতমদা মহাক মপূং ফারে হায়না মমা-মপা ওইবনা লৌনৈ। মতম অসিনি তাইবঙগী মমা মপা ওইবনা য়াম্না চেকশিনবীগদবদি মতাং অসিনা নুজা ওইবী অদুগী তুংগী ওইবা মরাইবক অদু লেপকদৌরিবনি হায়জরি। হায়রিবা ৱারোল অসিবু শোইফদ্রবনা মসিগী ওইবা ৱারোলদি অসুম্না থমজরি।

১। নোংমাইজিং নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি -

- নাম্মা শেৎনবা ওই। (পুংবা ওইদে)

২। নিংথৌকাবা নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি - অফবা নুপা ফংজৈ।

৩। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি - লমচৎ ফৎতবী লমহেনবী ওই।

৪। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি - মচা অফবা ফংজৈ।

৫। শগোলশেন নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি - অফবা নুপা ফংগনি।

৬। ইরাই নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি - লন-থুমগী মপু ওইবা পী।

৭। থাংজ নুমিত্তা হান্না লাক্লবদি - মচা-মশু পোক্তবী ওই।

মথক্তা পনজখিবা নুমিৎ তরেৎ অসি মমা-মপা ওইবনা য়াম্না চেকশিন্না খঙজিনবীবনা হেন্না ইচাগী অফবা ওইগনি। অসুক লুবা ৱারোলবু খঙদবা মমা-মপাগী মচাশিং অদুদি ঙসি ঙসিমক তাইবঙপানবসিদা মশা মশানা উরবা ৱারোলনি। অদুনা হৌগৎলকলিবা মপুং মরৈ ফাদ্রিবা মচাগীদমক্তা মমা-মপা

ওইবনা ইচা শোয়দনবা তাইবঙ মপুদা থৌজাল নিবীয়ু অমদি অফবা থৌজাল ফংবিয়ু হায়জরি। পূন্নমকপু থৌজাল্লবদি মহাক অদু পোকপগী মহৈ য়াল্লে খঞ্জরি।

তাওরোইনাই লৈখুল চঙবা থাপালোন

মমাংঙৈগী লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংনা খূৎইগী ওইবা লাতমদা তুংগী য়ুন্বীরেলগীদমক্তা খন্দুনা ময়েক লানা খুৎয়েক তমদুনা থন্বীরম্মী। মরমদি তাইবঙ পানবসিদা মীওইপোক্তা খোঙদারবশিংসি মশা মশাগী লৈনবা য়ুম অমদি শাদবা য়াদে। মীওইপোক্লা লৈনবা শারিবা শঙ্গাই অসি মী অদুগী হকচাংগী ওইবা কয়াৎতগী লৌদুনা পাদম্বনি হায়বসি হেক হেক নীংশিংবা ফৈ। তাওরোইনাই লৈখুল চঙবা হায়বদি তাইবং মীওইবা পুরিবা হায়বদি শাথৌরিবা মপু অসি মরক মরক্তা মপাঙ্গল হেক হেক শোঙ্কে। মসিবু ঐখোয়না লৈখুল চঙবা হায়না খঙনৈ। চহী অমা হায়বসি থা ১২ না শাই, থা অমা হায়বসি নুমিৎ ৩০ নিনা শাই। অদুনা খোঙচৎ খরা শোঙ্বসি থা-থাগী মান্নদে। মসি খঙনবা হায়দুনা লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংনা লাতমদা খূৎয়েক তমদুনা থন্বীরম্বা অদুবু নীংশিংজরি।

১। শজিবু থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৬।৭।২১ নি।
২। কালেন থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ১।১১।১৯ নি।
৩। ইঙা থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৬।৭।১৭ নি।
৪। ইঙেল থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৪।৫।১৫ নি।
৫। থাৱান থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৯।১০।১১ নি।
৬। লাংবল থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৩।৪।৬ নি।
৭। মেরা থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৬।৭।১ নি।
৮। হিয়াঙ্গৈ থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ১০।১১নি।
৯। পোইনু থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ২।৩।৫ নি।
১০। ৱাকচিং থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ৬।৭ নি।
১১। ফাইরেল থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি -১০।১১।২৬ নি।
১২। লমতা থাদা লৈখুল চঙবা থবালদি - ২।৩।৪ নি।

মথক্তা খূৎয়েক তল্লিবা থবাললোনশিং অসি থা-থাগী ওইনা মীওইবনা লৈনবা য়ুম শারদা উরেপ উয়ুং তম্বা ফত্তে। মসিদা উরেপ উয়ুং-তম্লরবদি

মীওইশিং অদু লৈবদা নুংঙাই য়াইফবা ৱাৎলি, অৱাবগী মশক ওই, হায়দুনা ইপা ইপুনা য়াম্না চেকশিন্না থন্বীরম্মী।

খুরুম্বা মখল ৯ গী ৱারোল

মৈনা ৱাই তাঙনা শমদুনা ইপা-ইপুশিংনা লিশাং শিৎনা চৎনদুনা লাকপনি। অদুবু ঙসিগী তাইবঙচাশিংনা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা অহোংবা হেক হেক লাকই। মীওইবগী মপোক্তা পোক্লগা ইপা-ইপুনা চৎনরম্বা কাঙলোন অসি চৎনদবা হায়বসি য়াম্না লংজবা ওই। নোংমা নোংমগী ওইনা খজিক খজিক মাঙখিবনা মরম ওইদুনা কংলৈপাক অসিদগী পুরা মাঙখিবসু য়াই। কংলৈপাক অসিদগী পুরা মাঙখিবা হায়বসি ঐখোয়বু লৈখা তাবনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিনা মরম ওইদুনা ঙসিগী তুংগী ওইবা য়ুন্বীরেলশিংনা মসিবু য়াম্না শেংনা অমদি মমুৎ তানা খঙহৌবা তঙাইফদবা লৈ। খুরুম্বা মখল মাপল (৯) অদুদি অসুম্না তাক্লি।

১। লাইবক্লা লৈবাক থেংনা অখুবা লমদা খুরুম্বা অসিবু "ঙাংলৌ খাজংবা" কৌই।

২। কোংয়াং চৈনা তাবগুম্না উপ্রাক্লা খোং খুৎ শাংনা তিংথোক্তুনা খুরুম্বা মখল অসিবুনা "কোংয়াং চৈশুনা তাবগুম্না পুনেম্বা" কৌই।

৩। খোং খুদোল অনী খুৎ অনী পূন্না মরী অসিনা লৈবাক্তা তানা শৌদুনা কোক খজিক্তং নোম্নববু কাওরেল ষণনা ৱাইনগে তৌবগী মওংগুম খুরম্বা মখল অসিনা "লুরুক থেনবা খুরুম্বা" কৌই।

৪। খোংবী লোৎনা খোংগ্রাই চন্দুনা ফম্লগা খুৎ অনী খোইদৌ মপাদা য়েৎ ওই থক খা লোন্নরগা কোক লুকথদুনা খুরুম্বা অসিবু "পূক্লিং চেৎচবা খুরুম্বা" কৌই।

৫। খোংগ্রায় চন্না ফম্লগা খুৎ ওইনা মখা থংবা য়েৎনা মথক থংবনা খুৎ অনীমক্লা থম্মোই মপাদা লোংথোক্লা থম্লগা মিৎ লুকথনা উইশিল্লপ তৌনা খুরুম্বা অসিনা "থম্মোয় ফিদুপ চেৎচবা" কৌই।

৬। খোংগী খুদোল অনী খুউ অনী খূৎকী খূনিং অনী লৈবাক তানা খুরুম্বা অসিনা "থৌনি পুরুম্বা" কৌই।

৭। লেপ্পা লৈরগা খূৎ লৈবাক শোক্লা কোক খরা লুকথরগা খুরুম্বা অসিনা " থৌগল্লোন খুরুম্বা" কৌই।

৮। লেপ্পা লেপ্পা খূৎ অনী থম্মোয় মপাদা কাগুপ্পা কোক্লা য়েৎলোমদা চেপতক্লা খুরুম্বা মখল অসিনা "য়াইফ থৌনি খুরুম্বা" কৌই।

৯। লেপ্পা লেপ্পা খূৎ অনী কোক্কী লাইবক মপাদা লোন্নদুনা থাগৎলগা মীৎ অনী হনগৎলপ্পা য়েংখৎলুরগা লুকথবা অসিবু কোরৌথক্তা লৈবা অসুপ্পা মপু ইবুধৌ পুন্নমকপু "পুরুম তাইশিক চাবা" খুরুম্বা কৌই।

অদুনা অসুক য়াম্না ফজরবা অমদি থৌগৎলোন খঙনরবা খুরুম্বা মখলশিং অসিবু মুৎপা নাইদনা চৎননবা অমদি মমাংঙৈগী ইপা-ইপু মাইচৌশিংবু মতম পুন্নমক্তা অদুম্মক অদুম হিংনা লৈনবা মচা মশু ওইবা ঐখোয়না কৈদৌনুংদা কাওরোইদবনি। মসিনা তাক্লিবদি লম্বী অশম্বা খক চৎফদে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি।

নোংপোক নিংথৌ ইরাৎপগী অফবা ফত্তবা য়েনবা ৱারোল

মৈনা ৱাই তাঙনা শমদুনা ইপু মাইচৌনা খোরি খোৎতুনা তাইবংগী য়ুমদা ইরাৎপগী অফা ফত্তা য়েংবসি চৎনরম্মী। হৌজিক্কী তাইবঙচাশিং অসিদি ইপা-ইপুনা চৎনরম্বা লিচৎ অসি থাজবা য়াম্না ৱাৎলি। মতমগী খোংলৈনা অসুম অসুম পুখিদুনা মমাংঙৈগী চৎনবী অসি তুংওইননা থম্নরক্লে। পূন্নমকশিং অসিসু মীরমগী মতৌ তম্লুবদগী নোংমা নোংমগী লৈখা তারকলিবনি। ইপা-ইপুনা হায়নবা অমদি লৈ। মদুদি অৱাংবা সোরারেন্দা তিন শিৎপদি ইমাইদা তাই হায়বসি কাওবীদবনা হেন্না কান্নগনি। মীগী মতৌ তম্বনা কৈদৌনুংদা মাঙবা য়ারোই। মৈহৌরোলগী ইপা-ইপুনা অসুম্না নোংপোক নিংথৌ থৌনিগে হায়রবদি খোরি খোৎপা অমাইবদা চৎতুনা অফবা নুমিৎ য়েংনৈ। অফবা নুমিৎতা নোংপোক নিংথৌবু খুরুমনৈ য়াইফ থৌজাল নিনরম্মী।

মমাংঙৈ ইপা ইপুনা অসুম্না খোরি খোৎলম্মী

থবান (নুমিৎতুগী পানবা)	-	১৩
নুমিৎ (নোংমাইজিং)	x	১
		১৩
তিনশিনগদবা মশীং	+	৫
য়েনগদবা মশীং	৭)	১৮ (২
		১৪
		৪ - লেম্বা

খঙজিনগদবা ঃ

১- লেম্বনা নোংপোক নিংথৌ নোংমাই খল্লোং চীং লাইচীংদা লৈয়ে। ইরাৎপা ফৈ।

২- লেম্বনা নোংপোক নিংথৌনা পাহ্ণোইবীগা লৈ, মহৈদি মচাক মরল ফংই। ইরাৎপা ফত্তে।

৩ - লেম্বনা নোংপোক নিংথৌনা কাউরেল সনম্বা তোংদুনা লৈ। নীংবা থুংই। ইরাৎপা ফৈ।

৪ - লেম্বনা নোংপোক নিংথৌনা লাইয়াম্না তিন্নফমদা লৈ। পূক্লিং ৱাই। ইরাৎপা ফত্তে।

৫ - লেম্বনা নোংপোক নিংথৌনা চাফম মফমদা লৈ। চাবা ৱাৎতে। ইরাৎপা ফৈ।

৬, ৭, ৮, ৯ - লেম্বনা নোংপোক নিংথৌনা শান্নফমদা লৈরি। থবক য়াম্না মাঙই। ইরাৎপা ফত্তে।

০ - লেম্বনা নোংপোক নিংথৌনা মোংফমদা শঙদুনা লৈ। অৱা-অনা য়াম্না তাই। ইরাৎপা ফত্তে।

ইরাৎফু লাৎকনি, লাইগী ফি-৩, হৈরুক পানা য়াওনা ফম্বাল অম্না লাৎকনি, সেকপিল (ধাকল), হৈরা, লৈ, অমেৎপগী মচাকশিং (ফোলা), চেং-লৈ, থোইদিং অমুবা, তিংথৌ মতোন, চীনি মপাক, শাগোলহিদাক (অমুবগী মনানা-হেন্না ফৈ), হৈখাগোক মনা ১০৮, লাদা হাপতুনা লাৎচরবদি

নোংপোক নিংথৌনা অচানবা মনাই ওইদুনা ফংগে হায়না তাল্লিবা অদু ফংবা ঙম্মি। মতৌ অসুম তৌদুনা মমাংঙৈগী মাইচৌশিংনা নোংপোক নিংথৌবু নামু তাইবঙগী মশাইকোন্দা কৌদুনা ইরাৎ-থৌনি পাংলম্মী।

অরাংফমগী ৱারোল

মমাংঙৈ ঙল্লিঙৈগী মতমদা হায়বদি মীনা নিংথৌরেল ওইদ্রিঙৈ, লাইয়াম্না পানবা মতমদগী হৌদুনা অশিন-অরাং হায়বসি অসুম লৈরকই। মতম অদুগী লাইয়ামগী মনুংদগী অশিন অরাংবগী মকোক অমা থমদুনা লৈরক্লি। মসিগী মতৌবু ঙসিগী মীরোলনা অসুম-অসুম শমথরক্তুনা ঙসি-ঙসি ফাওবা তৎপা কাংদা অসুম চৎনদুনা অসুম লাক্লি। মসি লাইয়াম্না চৎনরকপনা অসুম তৌদুনা নিংথৌরেন কয়ানা অমদি মাইচৌশিংনা মাঙদনবা হায়দুনা ইরেং পুয়া কৌবা লাতমদা অসুম্না খুৎয়েক তমদুনা তুংগী মীরোলগীদমক্তা খন্দুনা খুৎই থন্বীরম্মী।

মতম অদুগী অরাংফমদি হায়বদি লাইরমলেনগী ওইনা *"ইহান হান্না অরাং পুরেনদি লুৱাং ইয়ু পুন্সিবনা ফমই। মিংলেন্দি চি-রি-রিক কৌই। কৌব্রুনি। থোংঙাকপদি লেনুং তুবী নিংথৌনি। খুমন শলাইনি। মমিংনা উম-চি-রিক কৌই। লৈ য়েনবদি লাইরেম্মা অতোম্বীনে। মমিংদি লৈসরা কৌই। ক্বা য়েনবদি লম লৈমানে। মমিংদি হাওদংখুবী কৌই। অচা অথক য়েনবদি চীংখৈ য়াইফু নিংথৌনি।"* মসিদগী অসুম অসুম শমথারকপনা ঙসি ফাওবদা তাইবঙ মীওইচাশিংনা থবক অমা থোকপদা অরাংফম হেক হেক নেকনৈ। অরাংফমগী মফমদা ইরাৎতুনা থল্লিবা মফম অদু লাইরমলেনগী অরাংফমনি। মচা মনাইশিংনা মতুং ইন্দুনা থবক পাংবনি।

য়ুম্লাইথোক য়েংনবা পান্বে

লাইওইখ্রবা সনা লৈবাক অসিগী ৱায়েন চুক্লি সুবীরম্বা মাইচৌশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক্তা খন্দুনা ময়েক লানা খুৎয়েক য়েক্তুনা লাতমদা থম্বীরম্বী। মসিনা তুংদা হৌরক্লিবা তাইবংচাশিংদা য়াম্না নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা থোকহনবদা য়াম্না মতেং পাংই।

মসিদি করম্না য়েংগনি হায়বদি নহাক্না শাগদৌরিবা য়ুম অদুকী মরাক-ময়ুং অদু খুদুপ নৎত্রগা ফুৎ মশীংদা লৌরগা পূন্না তিনশিননৌ। মসিগী মতুংদা ৯ অমা অমুক তিনশিল্লু। অদুগা ফংলকপা মশীং অদুদা ৭ না য়েল্লগা য়েংউ। খুদমদি ঃ

অশাংবা মশীং -		২৫ ফুট
অপাকপা মশীং -(+)		১৭ ফুট
		৪২ ফুট
তারকপা ফলদা (+)		৯
মশীং	-	৭) ৫১ ফুট(৭
		৪৯
		২ লেন্বা

খণ্ডজিনগদবা ঃ

১- লেন্লবদি- ৱা থোকই, ফত্তে। শাবা ফত্তে।

২- লেন্লবদি- নুংঙাই য়াইফৈ। শাবা য়াই ফৈ।

৩ - লেন্লবদি - খঃনৈ অৱা-অনা নংই। শাবা ফত্তে।

৪ - লেন্লবদি- নুংঙাই য়াইফৈ। শাবা য়াই ফৈ।

৫ - লেন্লবাদ - অৱা-অনা নংই। শাবা ফত্তে।

৬ - লেন্লবদি - ইনাক খুল্লি নুংঙাই। শাবা য়াইফৈ।

৭, ৮, ৯, ০ - লেন্লবদি - য়ুম্লাইথোক তাই। শাবা ফত্তে।

মৈফম য়েংনবা হোৎপগী মওং

ঐখোয়না য়ুমগী ইচা ইশুগী মৈ লিংদুনা ইরাৎ থৌনি তৌগে হায়না খল্লবদি অসুম তৌনা হোৎলগা য়েংদুনা অফবা নুমিৎ অদুদা ওইনা লৌবা য়াই। মতম অসিদা ইরাৎ থৌনিজরবদি ইচা নৎত্রগা ইসু অসি লাইবক ফগনি হায়না ইপা-ইপু-মাইচৌশিংনা তাকপীরম্মী।

খুৎহোৎতি ঃ

নুমিৎতুগী থবান মশীং	-	৫
নুংশিৎতগী	-	১৮
লৈচিন্দগী	-	২৯
থোক্লা য়েনবা		৩)৫২ (১৭
		৩
		২২
		২১
		১ লেম্বা

খঙজিনগদবশিং ঃ-

১ - লেম্লবদি কোরৌদা মৈ লৈ, লৈপাক থোংকৎকনি।

২,৩ - লেম্লবদি লৈনুংদা মৈ লৈ, খুদোল ৩ কী চাং তৌথগনি।

০- লেম্লবদি লৈপাক্তা (মালেমদা) মৈ লৈ, ৱাই ফজনা তৈরগা মৈ হৌবা য়াই।

নোংমা নোংমগী য়াহৌরকপগী ৱারোল

মমাংলমচৎকী ৱারীবু খূৎয়েকপু তমজরকপদা অরানবা কয়া য়াওরবসু তাইবঙ মীওইপোক্সি খন্দুনা ঙাকপীয়ু। মঙাং অমদি লুৱাংগী মতমদা কোইনা তরেৎ শেঞ্জা তাল্লুবা অমদি লৈতা লাইরা থিরুবা চৎলুবগী খুমন মহাক্কী মতম য়ৌরক্লবদা ইশাইকোন্দা হল্লক্তুনা পোথাজবগী মতম ওইরদুনা খোল্লেন তুমথুল তাল্লি। কোরৌ মহাক্লা অসুম অসুম ঙাল্লক্লবদা হায়বদি মঙাং পুংফম য়ৌরদুনা খোল্লেন তুমখুল তাল্লুবদু য়াহৌরে। য়াহৌরবনিনা ইশাইকোন্দগী লেঙথোক্লমদাইদা মালেম অসিদা খোঙনা কুমথদরিঙৈদা নতোনগী স্বর হান্না য়েংবসি তঙাই ফদবা অমা ওইনা লৌনরম্মী। ইপা-ইপু মাইচৌশিংনা অসুম্মা তুংগী মীরোলগীদমক্তা য়েংদুনা নোংমাইজিং, লৈবাকপোকপা, শগোলশেন, থাংজ হায়বা নুমিৎসিদা য়েৎথংবা নাতোন্দা স্বর লৈবদা য়েৎকী খোঙনা ফমুংদগী হান্না কুমথগনি।

নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশ, ইরাইনা ওইগী থংবা নাতোন্দা স্বর লৈরবদি ওই থংবা খোঙনা ফমুংদগী হান্না কুমথগনি।

ৱারোলদি ঃ "হে মালেম ইমা নচানা ঙসিগী খোঙনা শোকপদা ৱারৌবিগনু। ইমাগী য়াইফ থৌনি পূম্নমক নচানা ফংজরগে। ওইজ-ওইথক পীনবিরো, শমু মাই পাকপা ওইজরগে ইমা।"

ৱাহৈ অসি হায়দুনা স্বর লৈবা মাইকৈগী খোঙনা মালেমদা ইহান হান্না নুমিৎ খূদিংগী কুমথাগনি।

সন্লাই তরেৎকী মচু

তাইবঙ পানবসিদা লৈরিবা মীওইপোক অসি মতম অমগী পাখংবগী মচা মগুনি হায়না লৌনরম্মী। মতম অমদা পাখংবা অসি মচা তরেৎ পোকই হায়না লৈশেমলোন কৌবা পুয়াদা ময়েক লানা ইরি। মহাক্কী মচা তরেৎ পোকই অমসুং মখোয় মখোয়গী মচুশিং অমতা মান্নদে।

	য়েক শলাই		ফিগী মচুশিং
১।	মঙাং (নিংথৌজা)	-	অঙাংবা ঈ মচু
২।	লুৱাং	-	হিগোক মচু
৩।	খুমন	-	মঙ্গ্রা মচু
৪।	অঙোম (অঙৌপানবা)	-	কোমলা মচু
৫।	মোইরাং	-	নাপু মচু
৬।	খাবা ঙানবা	-	অশংবা মচু
৭।	শরাং লৈশাংথেম	-	নীম মচু

খঙজিনগদবা ঃ - অনাবগী হিদাক্তা মচুশিং অসি শীজিন্নে অমসুং মশা মশাগী মচুগী লাইওং খঙদবদা পীথকপদা য়াম্না কান্নে অমসুং ফৈ। লাইতিনগী থবক তৌবদা মশা মশাগী য়েক্কী মচু অসি শেৎ চাবা পাম্বশিংনা ইনিংথৌদা পাউতাক পীদুনা শেৎচবা য়াই। করিগুম্বদা পাউতাক পীদনা শেৎলবদি মশা-মশা অদু লাই তিনদা লংজৈ হায়না ইপা-ইপু মাইচৌশিংনা তাকপীরম্মী।

মীওইবগী খোঙচৎ মরিগী অফ-ফত্ত

মমাংঙৈগী লিকলমনা অসুম্না খূৎয়েক তমদুনা য়েংবসি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু-মাইচৌশিংনা ময়েক শেংনা লাতমদা থন্বীরম্মী।

খূৎহোৎতি ঃ

মী অদুগী মশাগী চহী - ৪৭

অদু ওইরবদি ৯)৪৭(৫
৪৫
২ লেম্বা

অফবা ফত্তবগী ৱারোলদি

১ - লেম্লবদি শাগৈ ঙাই ইকাই খুম্নৈ। নারবদি য়াম্না শাংনা নাগল্লি।

২ - লেম্লবদি লন থুম ফংই। নুংঙাইনা পাল্লি।

৩ - লেম্লবদি নারবদি নুংদা ঈশিংনা চাইবগুম্না থোকই।

৪ - লেম্লবদি ফত্তবদা শুমাঙলা তাবা মতম্লি।

৫ - লেম্লবদি ফত্তবদা মমিং চৎলি। খঙহৌদবা অৱাবা নংই।

৬ - লেম্লবদি অমগা অমগা মুক্লে, য়েক্লে, য়েংথিনৈ অমদি খৎনৈ।

৭ - লেম্লবদি ইরাং য়াম্না কাই। লুহোংবা মতম্লি।

৮ - লেম্লবদি তৌরু তৌরুবদা, হিরম খূদিংদা মায় পাকপা মতম্লি।

৯ - লেম্লবদি তৌরু তৌরুবদা ফত্তবা, অৱাবা নংবা তাই।

পাম্বোইবীনা নোংপোক সেলোইদগী কুম্লকপগী ৱারোল

মেরা থাগী মশিল অমা ওইনা ঙসিগী তাইবঙচাশিংনা ইরাৎ থৌনি তৌজরিবা ইমা পাম্বোইবীনা কোরৌ অৱাংবা চীংদগী অপাম্বা খোঙনেৎনদুনা মালেম তম্পাক্তা কুম্লকপগী ৱারোলবু লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংনা অসুম্না খূৎয়েক তমদুনা লাতমদা থন্বীরম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা চহী চহী অদুগী অফবা ফত্ত মপাওবু তাইবঙচাশিংনা খঙনরি। হায়রিবা ৱারোলশিং অসি সনাগী কোরপাক্তা ইদুনা মূৎনাইদনা অদুম্মক চৎনদুনা লৈহৌরগনি।

ৱারোলদি ঃ-

১। নোংমাইজিং- শামু তোংলকই। কুম ফৈ, ঈশিং চাউই, ফৌ ফৈ, মনা মশীং, হৈরা পূম্নমক ফৈ।

২। নিংথৌকাবা - শামু তোংদুনা কুমলকই। ফৌ, য়েনশাং-নাপী য়াম্না ফৈ।

৩। লৈবাকপোকপা - শগোল তোংদুনা কুন্নকই। কুমদি ময়াই ওইনা ফৈ।

৪। য়ুমশকৈশ - জোয় শগোল তোংদুনা কুন্নকই। শাবাও-লানবাও কল্লি।

৫। শগোলশেন - হি তোংদুনা কুন্নকই। ঈশিং ইচাও থোকই।

৬। ইরাই - শগোল রামা তোংদুনা কুন্নকই। লান তৌবগী মপাও য়াম্না কল্লি।

৭। থাংজ - দোলাই তোংদুনা লেঙলকই। মীশি মীনা কল্লি। কুম কাংই।

খঙজিনগদবা ঃ- "ঐনা চুম্মে অমদি মঙাইরে খন্দুনা চৎপা ফত্তে। মরু লুক্লা শেগা মাইগা তাথোক তাশিন তৌদুনা ইনবগী মওংদা চৎকনি। হায়নবা লৈ ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্বাক্লা ফমতেকই। ৱাতোন লোল্লগা কুমথবা শোইদ্রবনি। তাইবঙ মপোক্তা পোক্লবদি নোংমদি শিবা শোয়দ্রবনি কাওবীগনু।"

থাদা নুমিৎনা তেকপগী ৱারোল

মাংলমচৎতগী চৎনদুনা লাক্লবা অমদি ইপু মাইচৌশিংনা তুংগী মীরোল কয়াগীদমক্তা খন্দুনা লাতম মথক্তা খুৎয়েক নিংথিনা তমদুনা থম্বীরম্মী। থাদা নুমিৎনা তেকপা হায়বদি থানা মশাগী চৎচরিবা খোঙচৎ অসিগা নুমিৎনা চৎচরিবা খোঙচৎ অনী অসি মান্নদবসি থা ১ গী মনুংদা নুমিৎ-১ তমক ওই। মতম অসিদা তাইবংচাশিংনা মশা-মশাগী ওইবা ইমুংগী মরু ওইবা থবক থৌরম অমত্তা পাংনরমদে। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা থবক থৌরমশিং অসি পাংলবদি য়াম্না পাংদে অমদি মহৈ য়ানদে হায়না থম্বীরম্মী।

১। শজিবু - শজিবু থাদদি লৈপাকপোকপা তেকএ।

২। কালেন - কালেন থাদদি নিংথৌকাবা তেকএ।

৩। ইঙা - ইঙা থাদদি ইরাই তেকএ।

৪। ইঙেল - ইঙেল থাদদি থাংজ তেকএ।
৫। থৱান - থৱান থাদদি ইরাই তেকএ।
৬। লাংবন - লাংবন থাদদি শগোলশেন তেকএ।
৭। মেরা - মেরা থাদদি য়ুমশকৈশ তেকএ।
৮। হিয়াঙ্গৈ - হিয়াঙ্গৈ থাদদি লৈপাকপোকপা তেকএ।
৯। পোইনু - পোইনু থাদদি নিংথৌকাবা তেকএ।
১০। ৱাকচিং - ৱাকচিং থাদদি নোংমাইজিং তেকএ।
১১। ফাইরেল - ফাইরেল থাদদি থাংজ তেকএ।
১২। লমতা - লমতা থাদদি ইরাই তেকএ।

নুমিৎশিং অসিদা থবক থৌরম কয়া তৌরবসু অতেক-অকাইনা পীক থল্লি হায়না তাকপীরম্মী। মীয়াম্না হায়নবা লৈ ‘‘অহলগী মথিনা চফু মেল্লি’ হায়বসি মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি।

লাই হরাওবগী মচংওইবা চৎন-কাণ্ডলোন খরা

উমংলাই হরাওবা য়াম্না মরুওইবা অরুবা লাইথৌনি। নিংথিনা পরম চুন্না কাংলোন শুনা, থম্মোই শেংনা, খোয়জংনা হরাওরগদি খুঞ্জও লৈচাওই, লৈপাক নিংথৌ পুন্সিয়ে, লৈপাক মরা তপকনিয়ে নত্রগদি মীশি মীনা, খুন্তাক লৈতাকপা থোক্কনিয়ে। হরাওরিবা অমাইবা অমাইবী পেনা লাইশেল্লুংবা অমদি লাইবী অতৈ ফম্নাইবশিং লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা ঙাকমিন্নগদবা কাংলোনশিং খরদি মখাগী অসুন্না থমজরি।

(খুঞ্জশিংনা ঙাক্কদবা কাংলোনশিংদি লাই শেল্লুংবনা নত্রগা অমাইবনা নত্রগা অমাইবীনা মরক মরক্তা লাওথোকপিদুনা তিনলিবা খুঞ্জশিংদা খঙহনবীগদবনি।)

১। লাই হরাওবগী পাউ (লাই বার্তন) ঃ-

লাইশেল্লুংবনা লৈপাকনিংথৌদগী হরাওবগী য়াথং লৌগনি। ক্কা ৩ মনা ৩ নত্রগা লৈ অহুম থাদুনা হঙ্গৎকনি। নিংথৌগী য়াথং ফংবগা সনা কোনুং লোইশঙনা অয়াচে পীগনি, অমাইবা অমাইবী পেনাশিং থাগনি। লাই শেল্লুংবনা য়ামদ্রবদা হরাওবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লাইদা পাও (লাই বার্তন) পীগনি।

২। লাই শেল্লুংবা ঃ -

লাই শেল্লুংবা হায়বা অসি লৈপাক নিংথৌনা মশক খংবা হায়বদি (স্না) কোনুংনা শকখংলবা য়েক শলাই চুম্বা মীওই ওইগদবনি। শেল্লুংবনা লাইফমদুগী ফমকোকনি, লাইগী ঙমথংনি। লাইথৌ খুদিং শেল্লুংবগা তানরগা তৌমিন্নগদবনি। লাই হরাওরিঙৈ মনুংদা লাইশেল্লুংবা চাকমাং ফিমাং, চাকতিন ফমতিন্নবা য়াদে, মশানা থোংবা নত্রগা অঙাং পাখং অত্রগা লৈশাবীনা থোংদুনা তোঙান্না সেংনা চাগদবনি মসি কায়রবদি নামুংঙি অনম অহা চুই, তৌহৈদে। অমাইবী অমাইবা পেন্না খোংবনা চিংবসু শেল্লুংবনা য়াদবা থবক অমত্তা তৌফদে। লাইচৎ চুমনা লৈহুন তমনবা শেল্লুংবনা শেন্নগনি।

৩। ফম্নাইবা ওইগদবা মীওই ঃ-

লাইগী ফম্নাইবশিংদি য়েকমুংনবা মচা নত্রগা য়েক লৌবা, শাগৈ শলাই অরেপ্পা লৈতবা অমত্তা লাইগী ফম্নাইবা ওইবা য়াদে। তুমন লৌবা, নাম্মা তাবা, লমচৎ কাম্বা মীওইনসু লাইগী ফম্নাইবা ওইবা য়াদে। মরমদি ফম্নাইবা শিংশিদি লাইথক কাদুনা থৌগন তৌবা মীওইনি। লাই হরাওরিঙৈ মনুংদা ফম্নাইবশিংনা চাকমাং ফিমাং চাহৈদে, ফমতিন্নবা য়াদে।

৪। মাইবা মাইবী পেনানা ঙাক্কদবা ঃ-

অমাইবা অমাইবী পেনা খোংবনচিংবা অসি লমচৎ শাজৎ চাকচা য়াহিপ কান্বা য়াদে। লাইরোলগী পরম ঙাক্কা লাইথৌ পাঙথোক্কদৌবনি। লাই শেল্লুংবা অমদি ফম্নাইবশিংনা কুপনা শেন্নগদবনি। লাই হরাওরিঙৈদা লমচৎ কাইরবদি খুন নামুংই, খুনতাক লৈতাকপা থোকএ তৌহৈদে। খঙনা-চানবা মরুপ মপাং মরী মতাগী য়ুমদা চাকচা হৈজাবা য়াদে / নামুংই / লাই লোইরগা মঙানি লৈহুন মতুংদদি য়ারে। থকশি-খাশি থৌগল্লোন ঙাক্কা চৎকদবনি, মিৎয়েং কারন চনফদে।

৫। লাই ঈকৌবা ঃ-

নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা ঈকৌবা লোইগদবনি। মমদ্রিঙৈদা লাইনুং চঙহৌগদবনি। মসি কাইরবদি, খুন্দা মীশি মীনা থোক্কনি মমহৈদে।

৬। ঈকৌবা চৎপদা লাই -পুবা-পুবীশিংগী তৌগদবা মওংদি ঃ-

লাই শেল্লুংবগী তালোই লাই শেল্লুংবীনা ঈকৌবগী ঈশাইফু পুগদবনি। অদুবু ঙমদ-খোত্তবা অমদি শোকপা পনবা য়াদবা মতাং থোক্লগদি মচা মশু তেকত-কায়দবী য়েক মুংনদবী লুহোং খোংদোংলকপী নাম্মা তাদবী খুঞ্জাদুগী লৈমা অমনা পুহনগনি। মরম অমনা লাই হরাওবদি হৌগদৌরে অমদি হরাওরিঙৈদা, লাই শেল্লুংবদু য়ুম্মাং কৈমাংবা থোক্লবদি খুঞ্জানা খঙবা নাম্মা তাদবা, য়েক নামুংদবা তুরৌ চারৌ চুম্বা মীওই অমনা লাইথৌ পুহনগনি। মসি হরাওরিবা মতম মনুং অদুদগীনি, য়ুমশেংলগা হান্নগী কাইদনা অদুম শেল্লুংবনা পুগনি।

৭। ঈকৌবা নুমিৎ অমসুং হরাওরিঙৈদা ঃ-

লাই পুগদবা-পুগদবী মীওইশিং অদু য়েক মচা অমদি য়েক নামুংবনচিংবা অমত্তা য়াওবা য়াদে। লাইপুবা, চোং, পে পুবা নুপাদি ময়ুম পানবা নুপা ওইরবসু পাখং ওইরবসু য়েক নামুংনদবা মচা ওইরবদি হেক্তা পুবা য়াই। নুপিদি খুদৈ শেন, কাওশেন, হুমাই অমদি শেনখা পুবীনচিংবদি য়েক নামুংনদবী মচা লৈশাবী ঙাক্তা ওইগনি মৌনা পুহৈদে। সুমবনগা ফিদাগা পুবীদি মৌনা পুগনি মৌ অনি অদু, য়েক নামুংনদবা লুহোং খোংদোংলকপা, মচা মসু তেক্তা কাইদবা নান্মা হাংদবা হায়বদি মপুরোইবা লৈরীবী নুপী ওইগদবনি।

৮। হকচাং শাগৎপা ঃ-

অমাইবীনা হকচাং শাগৎলিঙৈদা ধোন বেল য়ৈবা খোংবা য়াদে লাংফদে, পেনাতগা শামিন্নগদবনি। মসি য়ুমশাদুনা লাইদা য়ুমকৎপা মতম ফাওবনি। মতাং অসি ফাওবা অসি পেনানা অনোইরোন শক্কদবনি। মতম অসিদা পেনা অমদি মাইবী লাইবুং ৱাংমা লানদুনা মচোই মচোই চৎফরোই। লাইবৌ য়াওবা মীওই পুম্নমক হকচাং শাবা লোইদ্রিঙৈদা থোরকফরোই, লৌশিং মপুং ফাদ্রিবা অঙাংনুবী য়াওহনলোইদবনি, য়াওবা তারবদি অমাইবী অমাইবনা অমদি অহন লমনশিংনা শেন্নবীগনি অমদি তাকপিগদবনি। ফমশং ফম্বা মীওইশিংসু হকচাং শাবা লোদ্রিবা ফাওবা ফম্ফমদগী লেংথোকফরোইয়ে। ঙন্না হন্নিংবা মরম লৈরবদি হকচাং শাবা হৌদ্রিঙৈদা চৎপিগদবা ওইয়ে।

৯। ঔগ্রি হঙ্গেন চোংবদা য়াওগদবা মীওইশিং ঃ-

মীরোনবী নুপী অমদি মাগী মপুরোইবা অদু ঔগ্রি হঙ্গেন চোংবা থৌরম পাইবা, য়াওবা য়াদে। য়েক মচা, য়েক লৌবা, য়েক্তা ওংবা মীওই য়াওবা য়াদে। নাহান ঈকৌবদা লাই পুখিবা মীওইশিং অদুনা হিয়ানলোনগী মতমদা অমুক লাই হাপ্তুনা ঈকৌবদা তৌখিবগুম্না তৌগদবনি। অদুগা লোইননা ঔগ্রি চোংবা য়াওগদবা মীওই পুম্বা চাক্সাং ফিমাং তৌবা হায়বদি ফমদিন্নবা মীনা য়াওফদে য়াওরুবদি হোরেন ঔগ্রি অমসুং হিজিং হরাওবদা পঙথরকপা থোকল্লি, মীসি মীনা নংগল্লি, তৌহৈদে। মরম অদুননি অমাইবনা হয়েং লাইরোইনি হায়বা নুমিৎতুগী লাইবুংদগী মী কায়দ্রিঙৈদা হয়েং লাইরোইনি ঙসি অহিং অসিমদি

চাক্নাং ফিমাংনবিগনু হায়না লাওথোকনরিবসি। হায়হৌদ্রবদি অমাইবা অদু লানগনি, কাওফদে মওং অমনা ঔগ্রি অসি থৌরি পাইবা মীওইশিংদু পাবোং ওইগদবনি নুপা (১০) নুপী (১০), ৮-৮, ৬-৬, ১২-১২ অসুম্না পাবোং ওইগদবনি মরমদি হোরেন শরি লিৎপা হনবদা নুপাগা নুপাগা, নুপীগা নুপীগা অনি অনি শান্নবা মতমদা পাবোং কায়রবদি নাম্মা হাংলগনি তৌহৈদে। থৌরী পাইবদসু লাই শেল্লুংবা শেল্লুংবী (শেল্লুংবনা যুম্মাং কৈমাং থোক্লগনা খুঞ্জাগী য়েক নামুংদবা তেক্তা কাইদবা, লুহোং খোংদোংলকপা চাদা নাওদবা নুপা নুপী) অনিদু থৌরি মচিনদা শরিক্না কোন্ননা পূনগনি, অনি অদু মতৈ মনাও ওইগদবনি। অতোপ অতোপ্পা ওইরবদি অকাইবা লাক্কনি তৌহৈদে। মী পূম্নমক নুপানা লাইয়িংথৌরোমদা নুপীনা লাইরেম্বীরোমদা লৈগদবনি।

১০। হরাও- কুম্নশৈ ঃ-

লাই কংলৈ নুমিৎতগীনা লাইরোই নুমিৎ ফাওবসিদদি য়ারিবমখৈ অতোপ্পা থাং-তা, জগোই-ঈশৈ অমত্তা পুশিন্দনা লাইগীতা ওইনা চত্থবনা ফগনি। লাইরোই নুমিৎতদি লহান মখৈ শান্নবদা চিত্থবা অমসুং অরানবা য়াওখিবা কয়াবু ফুক্কৎতুনা মাইবা মাইবীগী থৌরম অহুম অহুল্লক হন্না শান্নগদবনি। হরাও কুমহৈগীদমক খুঞ্জানা মাইবীদা লাই শমজিনলু- অতোপ্পা কুম্মৈ য়াম্মি হায়না কৈদৌঙৈদা তশিনবীরোইদবনি। করিগুম্বা অয়াবা অহাংবা মতমা লাইমাংদা জগোই-ঈশৈ, থাং-তা শান্নবা তারবসু ঐ হৈ হায়দুনা নামমতা থোকহৈদেয়ে। অনি পাবোং থোকমিন্নরগা লাই খুরুম্মিন্নরগা হৈতরবসু অদুম ফমদুনা লৈরগা হোরেন লোইবদা লাই খুরুম্মিন্নদুনা হঞ্জিনমিন্নগনি। থৌদোক কুম্মৈ খুদিং লায়িংথৌ লাইরেম্মীগী পানা নাম্মা তাফদে অদুন্না লাই হরাওবগী পুয়ানা হায়রি।

১১। হরাওবগী পুংফম ঃ-

নোংমগী লাই শান্নবা হৌবা অসি, নুমিৎনা লম অনি অহুমলোম হায়বদি নুমিৎতাগদবা থৌরি লিশাং অনি অহুমলোম ব্রাৎলিঙৈদা লাই হোই লাওদুনা লাইবৌ হৌগদবনি। হৌজিক্কী নুংদাং হোই লাওদুনা পুং নিপান্দা পাময়ান্দুনা পানথোইবী জগোই ঈশৈ শক্তুনা লাই হরাওবা অসিদি অসিদগী হেন্না লাইরমলেন্দা অকাইবা অমা অমুক লৈতে হায়রি পুয়ানা।

১২। লাইরোই পুংফম ঃ-

য়ারিবা মখৈ ঙন্না হৌরগা নোংয়াই য়ৌদ্রিঙৈদা লাই লোইনবা হোৎনগদবনি। নুমিৎ খুদিংগীসু নুমিৎ তাবা মতুং থেংলবদা য়াচংবা মতমদা লাই লোইশিনগদবনি। মমাংঙৈ - ইপু, ইপানা লাই হরাওবা লোইবগা য়ুমদা হনলকপদা খরা থেংলবসু ষনফা শনওক নংলম্মি। থেংলবদি লাইদসু মীদসু অকাইবা ঙাক্তা ওইগনিয়ে।

১৩। ফুঙ্গারোল ঃ-

লাইরোই নুমিৎতা ফুঙ্গারোল জগোই হায়বা অমা শারিবসি খুঞ্জাও লৈচাওনবনি। মসি লাইগী ঙমথং লাই শেল্লুংবা শেল্লুংবী অনিনা শাগদবনি। শাগৈগী ওইরগনা পীবা মতৈ মনাওনা শাগদবনি। শেল্লুংবনা য়ুম্মাং কৈমাং য়াওরগদি খুঞ্জাগী অহল য়েক নমুংদবা নামা তাদবা, চাদা নাওদবা অমনা মাগী তালোইগা লোয়ননা শাগদবনি।

১৪। হৈকৎ লৈকৎ ঃ-

লাইদা হৈ-লৈ কৎপসি লৈদা কুন্দো কৎফদে মরমদি কুন্দো অসি ইমা লৈমরেন সিদবীগী শাইয়োন্নি মচাদা মমা চিন্নলৈ ওইনা কৎফদে। লৈ অঙাংবা কৎহৈদে, ঈচিংই তৌহৈদে খুন্দা ঈমু নাইমু তানবা থোক্কল্লি। শিন্দুরনা চিংবা কৎহৈদে নমহৈদে ঈচিংই। নমশা লাইদা কৎলগা লাই খুরুম্বা লাকপা মীবু নম্বীগনি মালেম ঈমাবু থৌগঞ্জবনি মরম অমনা পুরৈরোম্বা থাংজিং লোয়ারাকপা খোরিফাবা কোরৌহনবনচিংবদা মৈচংবা পোৎ কৎফদে তাইবং মপু মহিরেন চিংবা লাইনি।

১৫। উশিল ঃ-

তঙাইফদবা অরাক অখঙগী নত্তনা য়ারিবমখৈ লাইমাং ফমলিঙৈদা খুলগী উশিল পাঙবীরোইদবনি।

১৬। চেকশিনগদবা ঃ-

(ক) য়েক লৌন লৈনবা অমসুং মখোই অদুগী মচা মশুশিংদি লাইথক হায়বদি লাইগী শংলেন মাংগোল কাফদে, হৈ-লৈ কৎফদে, নামুংঙি পৈশা কৎলবসু মীগী খুৎথাংদা তাইরেন পুংফাইনা হায়দোক্লগা কৎপিগনি। মসি শাওফম লৈতে, মীঙোন্দা হংফম থোক্তে। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবনি। তাইবং ওইবনা পুক্লিং ঈথক্লা হেনখিদুনা লাইরমলেনগী ৱাখল খনথহৌদবননি। মপোক অমদা অসিগুম্বা মপোক ওইহনবিগনু চিংঙু থৌগন ফংহনবীয়ু হায়না থৌনিবীগদবা ওইয়ে।

(খ) লৈমা নিংথৌ মচাশিংদি লাইপুবা অমদি লাইথক হায়বদি লাইগী শংলেন মাংগোনলাংদা ফমবৈ ফম্বা য়াওফদে। মখোই অসিদি লাইগা ফমবৈ মুন্নবা অমদি চাওবা তান্নবগুম অমা থোকই। মী অদুনা মীগা লাইগা থেংশিংননরবদি লাইনা ঙমই। মরম অদুনা মশা তেংবানবা থোক্কনি হায়বনি। মখোয় অসিদি খাংপোক ফমবৈদা ফমদুনা হায়বদি ফম্ফম মশক নাইনা ফমদুনা কুম্মৈ য়েংগদবা মীওইনি হায়না লাই হরাওরোন পুয়াদা ইদুনা থম্বীরম্মী। বামনসু য়াদে অদুবু লাইদা কৎপা, হরাও জগোই য়াওবগী অথিংবদি লৈতে।

১৭। খুল অমদা লাই অনি হরাওবা য়াদে ঃ-

খুল অমদা খুল কোল্লিবা লাই নত্তনা অতোপ্পা লাই অমত্তা হরাওহৈদে। লায়েৎনবা লময়েৎনবা থোকই। ৱাথোক লান্থোক মীশি মীনা য়াম্না থোক্কনি, অমগা অমগা নুংশিনদবা অমগা অমগা চাংয়েংনবগুম্না লৈগনিয়ে। তৌহৈদে।

লন্নাই ওইনা লাৎচবা লাই অমদি অতোপ্পা লাইদি খুন্দাংবা শাইদাংবা লাইনি লৌগনি। হোই লাওদুনা লাইবৌলা থাদুনা লাইচিং জগোই শাদুনা হকচাং শাবা লাইবৌ খুৎথেক ৩৬৯ শুনা শাদুনা লাইরেন মথেক চৎতুনা তাংখুল থোক্কুনা ঔগ্রিনচিংবা লৌখৎতুনা হরাওবদি য়াদে। পুন্নমক অসিবু থওইদদুনা লাইবৌলা থাদুনা মচন/পরম শুনা হরাওরবদি মতম খরদি নুংঙাইরম্বদি য়াই অদুবু কাইনথংদদি ইমুং তুরৈ ইরৈ চেল্লক্কনি, অৱা অনা তারক্কনি।

১৮। মীশি মীনা থোক্লকপদা ঃ-

হরাওবা হৌরমদাইদা মীশি মীনা থোক্লগদি মশা তুমলবা মতুংদা শিরিবা ইমুং অমদি শাগৈগী মীওই অমত্তা য়াওহন্দনা হরাওবা হৌবা য়াই। হরাওরিঙৈদা মীশি মীনা থোক্লগদি খুদক্তা লাই থোং থিংগনি মশা তুমখ্রগা লাইথোং হাংদুনা অনম অথৌ নাশেংলগা লাইগী থৌগল কায়দনা চথগনি। লাইবৌ শান্নরিঙৈদা থোক্লবসু লাইবৌ লেপকনি, লাইথোং থিংগনি। মশা তুম্লগা অনম-অথৌ নাশেংলগা লাই শান্নগনি। মতম্না য়াদ্রগনা হায়বনি থেংমনলগদি হুয়েং নোংঙাক্লগা লাইথোংহাংদুনা নাহে নাশেংলগা নোংমগী হৌনবি কায়দনা লাই শান্নগনি, ঙরাংগী মতেক লৌখৎনদে।

লাইরোই নুমিত্তা মীশি মীনা থোক্লবদি লাইথোং থিংগনি। মশা তুমখ্রগা হৌনবী লাই শান্নগনি (শেংদোক্লগা)অহিং অথেংবদা থোক্লগদি নোংঙানবা য়াদবনা লাইথোং থিংলগনি, মথং নোংঙানলগা মশা তুমখ্রগা লাইথোং হাংদুনা নাহে নাশেংলগা নোংমগী হৌনবী কায়দনা লাই শান্নদুনা লাই লোইশিনগনি (ঙরাংগী মাতেক লৌররোই)। থংনবা নুমিৎনা থাবান ফত্তবা ওইরগদি লাই হরাওবা নোংমগী কায়দনা মপুং ওইনা চৎথগনি অদুগা অফবা থাবান নুমিৎত্তা লাই লোইশিনগনি।

শিরিবা ইমুং অমদি শাগৈ অমত্তনা লাইবুং কাফদে, লাইদা পোৎ কৎফদে। শেলদি শেক্লুংবা নত্রগা মাইবা মাইবীগী খুথাংদা কৎপা য়াই। নাশেংলগা কৎকদবনি।

শাগৈ লাইদা শাগৈগী মীশি মীনা থোলবদি/ চাপোকপা য়ুম্মাংবা য়াওরবদি য়ুমশেং কৈশেংদ্রিফাওবা লাইথৌ তৌফদে।

১৯। মালেম নিকপা (জ্বার হাবা) ঃ-

হরাওরিঙৈদা খঙহৌদনা মালেম নিকলগদি হায়বদি জ্বার হারগদি লাইথৌ লেপকনি, লাইথোং থিংগনি হায়বদি নুমিৎতুগী হরাওবা থৌরম লেপকনি। হরাওবা হৌদ্রিঙৈদা হাবা ওইরগসু নুমিৎতু লাইথৌ লৈরোই। মথং নুমিৎতা অনম অথৌ কোক্লগা, নাশেংলগা নুমিৎতুগী লাইথৌ পাঙথোক্কনি। অদুমকপু

লাইরেন মথেক চৎলিঙৈ অমদি হকচাং শাগৎলিঙৈদা হারকপা ওইরগদি হারিঙৈ মনুং ঙাইহাক লেপলগা থৌরম মতেক্তু লোইশিনগনি অদুগা মখা লাইথৌ চৎথররোই লাইথোং থিংলগনি।

২০। নুমিৎ থা শানা লাকপা ঃ-

হরাওরিঙৈ মতমদা গ্রহন লৈরগদি হরাওবা লেপকনি, থোং লোনগনি। মথং নুমিৎতা লাইমাংদা ইকুম ইতাবা থৌরম পাঙথোক্কনি। ঈশিংদি ইকৌবদা ইশাইফু পুবীদুনা ইকৌফমদগী শোক্কনি। ইকুম ইতাবা লোইরগা লাইগী থৱাইমি কাগনি অদুগা ঈশিংদু ইকৌফমদা হনগনি।

২১। হরাওরিঙৈদা লাইপুবশিংনা কাওরোইদবা ঃ-

লাই পুবা লাইপুবীশিংনা মশা মশানা পায়রিবা লাইপোৎশিং চেকশিন্না শেন্নগদবনি। করিগুম্বা মরম অমত্তনা লাইপোৎ অমত্তা লৈপাক তাহেদে। অদুবু লাইপুবা লাইপুবীগী মরক্তা তঙাই ফদনা হকচাং ঙম্লকতবদগী নত্রগা য়ুম্মাং কৈমাং য়াওরকপদগী নৎত্রগা মপান ইপান থোকনিংবদগী লাইগী লাইপোৎ থাদোকপা তারগদি তোপ্লা লেপ্লগা অমাইবদা পাউ পীরগা মীহুৎ শিন্নবা হোৎনগনি অমাইবনা হৌনবী লাইরোল লাইথৌ পাঙথোক্তুনা অনৌবা লাইপুবা থিদুনা শিন্নগনি।

করিগুম্বা লাইপোৎ অদু খুজিল খুনাম্থোক্তগী লৈপাক্তা তাথ্রগদি অমাইবদা খুদক্তা পাউ পীগনি অমদি অমাইবনা হৌনবী ইরাৎ ইশোন অনম অথৌ কোকলগা লাইপোৎ অদু লৌখৎকনি।

২২। লাইরোই নুমিৎতা ঃ-

মীশি মীনা, অরা অনা থোকখ্রবদি লাইরোই নুমিৎতা হকচাং শাবা, পাতোন জগোই চোংখোং শান্নবা অমাইবগী লাইরেন মথেক অহুম অহুম্লক হন্দুনা শান্নগনি। মসি অতেক অকাই, অৱাৎ অপা পুম্নমক মেনখৎতুনা অরান অয়োন পুম্বা কোক্লবা কাঙলোন্নি।

২৩। লাই খুরুম্বগী নিং তম্বা ঃ-

লাইদি লেংলি পাল্লিবা পুম্বগী ওইবনিনা কাংলুপ খুদিংনা খুরুমজবা অমদি হৈকৎ-লৈকৎ তৌবা য়াই। তৌবতবু য়েক শলাই নত্তবা মখৈগীদি লাইথক কাবা তৌদনা হৈকৎ লৈকৎ অমদি থৌনিজবা তাই। কৎলিবা পুম্বা নাশেংলগা কৎকনি।

২৪। লাই লোইরগা লাইগী পোৎচৈ য়েন্নবা ঃ-

ক) অমাইবনা লাইয়িংথৌগী মনিংথংবা ফাংখোংদা থাবা পোৎকা লাইবুংথৌ মাপনগী কৌব্রু নোংঙাগী থারিবদু লৌগনি।

খ) লৈমারেলগীনা - লহাল ইকৌবদা ইশাইফু পুবীনা ফংজগনি।

গ) লাইরেম্মগী ফানখোং অনিদা থাবা পোৎ অমদি পাম্বোম অমসুং (লাইরুলাগী) লাইনুরা তরেৎকী থাবা পোৎ অমাইবীশিংনা য়েন্নদুনা লৌনগনি। মাইবী শঙকোক্তা শিন্নগনি। লমলাইসু মাইবীগীনি।

ঘ) মমাংথংবা ফানখোংদা থাবা পোৎকা পামবোমদা থাবগা পেনা খোংবনা লৌগনি। অদুগা ফাংখোং মনাক মাংওইননা থারিবা লাইবুংথৌ মাপনগী পোৎনা অমাইবা পেনা খোংবা অনিনা য়েন্নগনি।

ঙ) চনিংগা অপোকপগীগদি লাই শেল্লুংবনা লৌগনি অদুগা লাইশঙবা (লাইপান্নবা) লৈরগদি মখোই অনি য়েন্নগনি। খুঞ্জাদা, অতোপ্পদা য়েন্থোকহৈদে, খুল লৈকাই মহি লাংই তৌহৈদে।

চ) লুকমাংদা হৈরিবা চেঙনা লৈকাই খুল নত্রগা শাগৈগী য়ুমথোং শুনা চেং খরা খরা থুংনবা য়েনবীদুনা চনিং হঞ্জিন্নগনি। খুল ব্রাংমদি হায়বদি অতোপ্পা খুলগী মীদদি পীহৈদে খুল ময়েং তাইয়ে।

ছ) লুকমাঙদা পৈরিবা হৈরুক অদুদি মীখন খাইদেয়ে হেক লাক্লিবা মী খুদিং থুংনবা য়েনগনি। মসি লাইরোই নুমিৎতা নত্তে। হৈরুক কাইবা খুদিং অসুম্না চৎনগনি।

শাগৈগী অপোকপা ওইরবদি লাইদুদা কংলিবা পোৎ পুম্নমক শাগৈদুগী মীওই নৎতনা করিগুম্বা হৈ-লৈ চেঙনচিংবা অদু অতোপ্পা মীওই অমদা পীহৈদে শাগৈ ময়েং তাইয়ে। অমাইবনা মাগী অনম অথৌগী পোৎ অমদি পেনাসু মাগী মাঙদা থারিবা পোৎ অদুদি লৌগনি। অতৈদিফংহৈদে। অমাইবীনা লাইনুং চন দবা তোঙান্না মপান্দা থারিবা লন্নাইগী পোৎতুদি লাই তাইনবগী হৈমন ওইনা ফংজগনি। অসিদগী হন্না করিগুম্বা পোৎ অমত্তা লৌহৈদে। ইকৌবা ওইরবদি তুরেল হৈরুক্কা লাইপুবনা নেৎপা সেনগদি পেনানা লৌ্রনয়ে। চনিংনা পিবানা ফংগনি। অপোকপগীদি শাগৈগী অহল অমদা পীগনি। লৈমরেনগীনা ইশাইফু পুবীদা পীগনি। ইকৌবা নৎত্রগদি শেল্লুংবীদা পীগনি।

২৫। কৈনিংফম্বা ঃ-

লাইরোই নোংঙানলগা অহিং অদুদা লাই শেল্লুংবগী ময়ুমদা হরাওরিবা লাইদুগী মতিক ময়াই থাদুনা পেনা ফমশক শক্কনি, থরাই মি কোনগনি মসিবু কৈনিংফম্বা কৌই। মংঙানি লৈখোম্বা নুমিৎতা লাইগী ফম্বান মখা ময়াই চপ চানা কোম খুবোম পাকপা শাংবা লুবা চপ মান্ননা তৌরগা ঈশিং হৈদুনা কোনয়াই থাদুনা লৈনুংথোং ঙারেন খায়োন কৎকনি অশিথোং থিংগনি। মসি কাওফরোইয়ে।

২৬। খুঞ্জাশিংনা খঙজিনগদবা ঃ-

ক) লাই শেল্লংবা, অমাইবা-অমাইবী পেনা পুম্বা লাইগীশক্তম লৌদুনা লাহৈথৌ পাঙথোকচরিবা ঙাক্তানি। মখোয়দা মীৎয়েং কারন চনহৈদবনি অমদি মাইবীশিংবু নুপীনি হায়দুনা হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংহৈদে।

খ) কনাগুম্বা খুঞ্জা অমত্তনা নৎত্রগা ফম্নাইবশিংনা নৎত্রগা মাইবা-মাইবী-পেনানা য়েলহৌঙৈদগী চৎনরকপা কাংলোনশিং অসি খাংউথক্তা হোংদোক্কে খল্লোয়দবনি। হোংদোক হোংজিন, শেমদোক-শেমশিন তৌনিংবা লৈরগসু লোইশঙদা হংনগদবনি। নৎত্রগদি হরাওবগী কাংলোন থুগাইবা ওইনা থোকখিদুনা লাইবুংশিংদা চয়েৎনবা থোক্লক্তুনা লৈবাক্কী চরাংনবা থোক্লক্কনি।

২৭) য়েৎনরোইদবা ৱাফম খরা ঃ-

য়াম্না মরু ওইবা ঐখোয় পুন্না খঙমিগদবা অমদি য়াম্নিন্নদবা ৱাফমদি উমংলাই হায়বসি ঐখোয়গী হৌরকখৈদগী লৈজরকপা লাইনিং হায়বদি সনামহি লাইনিং অসিগী শাগোন্নজরকপা লাইনি। হিন্দু লাইনিংগী ওইবা থৌরম থৌদশিংদা খৃষ্টন, বৌধ অমদি ইস্লাম লাইনিংনা খুৎ থিংজিন্দে অদুম্না খৃষ্টান লাইনিংগী থৌদদা ইস্লাম, হিন্দুনা খুৎ থিংজিন্দে অমদি ইস্লাম লাইনিংদা খৃষ্টান, হিন্দুশিংগী খুৎ চঙদে মতৌ অসুম্না সনামহি লাইনংগী থৌরম থৌদদা খৃষ্টান, হিন্দু, ইস্লাম লাইনিংনা খুৎ চঙবা লানগনি মালেমগী চৎনরিবা চৎনা কাংলোন্নি। অদুনা উমংলাই হরাওবগী অশেংবা পরম অমদি শক্তম ঙাক্সি, য়োকখৎশি হায়বা তারগদি লাইশেল্লুংবা, অমাইবা, অমাইবী, পেনা অমদি লাইগী ফম্লাইবা পুন্বা ইশাগী ইনাৎ-লাইনিং ঙাক্কুনা নাৎকী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং শিজিন্নদুনা লাইথৌ পাঙথোক্কদবনি। য়ারিবমখৈ মীরান লাইনিংলোন্না উমংলাইগী থৌরম থৌদাশিংদা খুৎ চঙবীরোইদবনি অমদি চন্দন (তিলক) শিন্দুর, তুলশিনচিংবা উমংলাইগা মরী লৈনদবা পোৎলম লৈতেংশিং শিজিন্নরোইদবনি।

মাইবরোলগী খংজিনবদা কান্নরবা খায়োমলোনশিং

ক) সৌবোম লাইরেম্বী খোংনাং লৈমা খুৎলং ৭ (তরেৎ) কী মমিং ঃ-

১. থৌনাইবী
২. পুকশ্রিখোম্বী
৩. লৈরিংখোম্বী
৪. তমনু
৫. পেৎনু
৬. থারৈবা
৭. লৈফোনবী।

খ) খোংলম ৭ (তরেৎ) কী মমিং ঃ-

১. খাখোং
২. লাইখোং
৩. মারোংখোং
৪. য়াম্বীখোং
৫. ফিশুখোং
৬. লিনহাখোং
৭. চারোইখোং/ মনুংখোং

(১) য়েক সলাই

খুমন সলাইনি অমুবা মচুনি।

(মোইরাংগী মন্ত্রা ঃ- চিরেন স্না পাখঙবা হো কংও। মিহিং লেং লাই শিরে। অসিনা তৌও খুমনগা মোইরাংগা তিন্নবা লাইনে। ময়াং ইন্ফাল, হৈয়েন, হুংশুন, শিংজমৈ মখা লিল্লোং, ইরোং, কোংবা তুরেল, অচৌবা, ফৌবাকচাও ঈ-খুরোক লোক্তাক খোংয়াপাৎ খেরাং থংচিরেন সনা তাওরোইনাই পাখঙবা কৌএ। খোংনাং ফৈদেকপী মনিং ককৰা পুখ্রি লমদাই পুং পাৎথিকোক লাংথবান মথক কাঞ্চিপুর অরোইবদা লৈবা লাইনে।

হিরেন সনা পাখঙবা কৌএ। লাইচুইএ। অসিশোল্লগাকোকএ।

(২) নুপীনে মতৈ-মনাওনে।

(৩) নুপীনে ঙানবা সলাই।

(৪) খাবা সলাই অশংবা মচুনে।



(৫) য়ুম্নাম লাইরেম্মানি ঃ-



(৬) তুবীহংকোক্লে ঃ-



(৭) য়ুমজাও লাইরেম্মনি ঃ-



পিশুম লাইরেম্মাগা লাইশ্রম লাইরেম্মাগা লোকলাও লাইরেম্মাগা মতা শান্নে। য়াংদৌ মতারোই পিশুম লাইরেম্মাগা চীংঙা লাইরেম্মাগা অনি অসি চীংনি পাইরকপনে। কৈথেল১ লানখিএ মখোই অনি অসি লাইনে।

নোংপোক নিংথৌনা লৌই। লোক্তাক হি থাফম কৌএ। লোকলাও লৈমগী মফম অসি তুবী লাইরেন্না ওনখিবনি। হি কোক শায়ানে। লিননে। পাখঙবা শয়ানে। উফক ওইনা থোকপনে। লাংলোন য়াস্মী। নিংথৌনা লিন হাৎপা য়াদে।

মফমদি ঃ লোক্লাওবুংদা য়ুম ৭ তাগনি। য়ুম ১ গা পুখ্রি ১ গা কোইনা তাগনি লৈগনি। অদুদা লিন হাৎপা য়াদে খংও লাই ওইএ। উনরগা লাইচুই।

কোক্লবা খয়োম চাবান্দি অথুম অহাও য়াওনা থাদোকও ফবনে।

(৮) নিংথৌজা ঙাংবা মচুনে ঃ-



নোংজেং পুখ্রিদা মতম অমদা থোরক্কনি, জুক্কী পাখঙবাকৌবনি খংও। যুগ অমদা নুংজেং পুখ্রিদা তাওখৎলক্কনি মতম অদুদা মহাকপু উবদা সারকারনা নোংমৈনা কাপকনি, নোংমৈ মাই চেনগনি। মখোল থোকলোইদবনে, সারকার মাগী মাগী দেশতা হনখিগনি, মতম অদুদা নিংথৌনা পুজা তৌরবদি অৱাবা কোক্কনি। সলাই লাইশোন ফী য়াওনা, সনা-লুপা কোনয়াই য়াওনা খয়োম পিয়ু। মদু তৌরগা ঈশিংদা শাংনা তিংথোকলক্কনি।

(৯) নিংথৌজা সলাই (অঙাংবা মচুনে) ঃ-

নোংপোক



অৱাং মখা

নোংচুপ

মরু শিদবা শিরোন চন্দ্রা কৌবা পাখঙবা অসিবু সনাদা ইরগা। কোক্কন মনাদা ইরগা সনাগী জন্ত্রদা হাপ্তুনা খৌরিদা শিরবদি লাই চংদে, পোৎশেন্বা চংদে। য়াম্না চিন্না হাপপো। লাইথুং চংদে। লাইথুং কোকএ।

(১০) নিংথৌজা সলাই অঙাংবা মচুনে, কুরুনা মীরোন চন্দ্রা কৌবা তুবী লাইরেল পাখঙবা সনা কৌএ।

(ক খ গ ঘ ঙ) (চ ছ জ ঝ ঞ)

স
হ
ক্ষ



ট
ঠ
দ
ধ
ন

(য় র ল ৱা শ) (প ফ ব ভ ম)

খৌরিদা শিরবদি কুরু ফংজবগুম্বনি মাগী মিংখৈ।।

(১১)



মহাক্লা কোনবা লম মপাওচিং, সারৌথেন, লম্ফেল শোই, মোরোহিংগোন, খুন্দ্রকপম, ঙাইরাংবম, ৱাইতোন, লমবোই খুল, পুরুম হাও, লুৱাংলি, থুশাং, খোমিদোক, হৈঙাং কোন্থা অৱাং লাইরম, কোংবা তুরৈ তুশাং লাইসনা ঙাংবা লৈখোম সনা পাখঙবা/ তাওরোইনাই সনা পাখঙবসু কৌএ।

মহাকপু ওক্লরগা কোক্লবা ঃ-

কবোক অথুম অহাও ফীরোই কোনয়াই য়াওনা খয়োম লাকও ফাবনে।

(১২) নিংথৌজা সলাইনে (অঙাংবা মচুনে) ঃ-



কোক্লবা মন্ত্র ঃ-

ইন্দ্রি পাখঙবা কৌই। চন্দ্রা পাখঙবসু কৌই। সনা মহিসু কৌএ। নিংথৌ মচানা মুর্ত্তি য়েক্লগা খৌরিদা জন্ত্রতা হাপ্লগা শিরবদি নিংথৌ ওই।

লোলাং সনা পাখঙবসু কৌএ। খেত্রি মচানা তৌরগা ফমনাইবা ওইগনি লাই উনবা হৌনদে। ফম অফবা ফংজৈ। মঙ্গল ওইএ। মৃত্তু ঙাকপিয়ে। পামবোমদা শিরগা পাঙ্গল কল্লি। কোক্কন মনাদা ইরগা হিপকনি। সনাদা হাপ্তুনা শিগনি ফীশেং শেৎতুনা হিপকনি খংও।

(১৩)



অঙাংবা মচুনে

তুবী লাইরেল তাওরোইনাই হায়বদি মশাদগীনি খংও। মমিংবু লাইরেল পাখঙবা কৌএ। নহাক্লা চৎথোকলমদাইদা ময়েক অসিনা নংগী ইঙ্খোল কোইশিনলম্মু। য়ুমগী অনা অয়েক চংদবনি। লাই চংদবনি। হুরানবা চংদেএ। নহাক্লা হনলক্লগা হে ইবুংঙো পাখঙবা ননাই ঐ লাকএ থোং হাংদোকপিয়ু হায়দুনা হাংলগা চংঙু। হাংবনে॥

(১৪) অঙাংবনে

২	১	৪
৭	৫	৩
৬	১	৮

২	৯	৪
৭	৫	৩
৬	১	৮

২	১	৪
৭	৫	৩
৬	১	৮

২	৯	৪
৭	৫	৩
৬	১	৮

(কোক্কন মনাদা য়েক্লগা সনাগী যন্দ্রদা হাপ্লগা শিয়ু, য়ানা চুপও, য়েক্লা মাংএ। জদু তুন্মে।)

নিংথৌজা সলাইনে। খুপতি পাখঙবা কুরু মিরোন চন্দ্রা পাখঙবা নো কৌই।

মি হিংলে লাই শিরে হকংও শিরো হুঁ ঙাং ঙাং ঙাং কোকও। হল্লো অসি য়েক্কুনা শিযু। য়েক্লা পুম্নমক মাংএ।

(১৫)



(১৬)



অঙোম সলাইনে, মোইরাং সলাইনে, খাবা সলাইনে অঙৌবা মচুনে, থৌবাল তুরেন, পোইরৌ শোংজিন ইরেন, মনথৌ থুমখোং টাংয়া লোয়া লোঞ্জা থুমখোং পাখঙবা তুবী সনা হনবী হেন্দু সনা পাং কৌএ। লাইচুই মথক্কী লাইগা কোন্ননা ইরিবা অসি শোল্লু খয়োম থাও ফাবনে।

(১৭) খুদৈ লাইনিঃ



(১৮) উতুপকী মওং ঃ



(১৯) সন্থি মওং ঃ

(২০) হিপলিবনি ঃ

(২১)



পাখঙবা লিনগী - শয়োন, লাইচুই। খংখ্রবদি কোকপা ৰাই। খুমন সলাই সলাং বাজিনা লোইরম্বা লাইগী মচানে। লাংওন য়াম্মি তিন, খুদৈ, সন্থি, উতং থৌরি, হি, য়ুম্বী উতেক ওইনসু থোকই। সয়ন য়াম্মে। অরুবা লাইনে।

(২২) খুমন সলাইনি (অমুবা মচুনে) ঃ

চীংমৈরোং মখা থংবা লাইরেন কোন শান্বা মাকোক্লা ওনখিবা লাইনে। শান্বা হাইবা উদা ঙা শেমদুনা চারুবদগী লাইরেন শায়া ওনখিবা লাইনি। মচা খিবিকসু পোকখ্রে। চীংমৈরোং তুশাং অৰাং শেকমাই মাকলং তুরেল তুশাং ইরোইশেম্বা, হিয়াংথাং ফাওবা চৎতুনা লৈএ। শায়ন য়াম্মী অরুবা লাইনি। চহি ২০৮ সুরে মানা ওননিংবতা ওনলি, লাইচুখ্রবদি কোকপা খরা ৰাই। শলাং বাজিনা ফাদুনা ঃ-

মতিক-ময়াই পিখ্রবনি। কোক্রুবা খায়োম পিয়ু ফবনে।

(২৩) মোইরাং সলাইনে ঃ

মোইরাং সলাইনে, অরংবা মচনে, তাওরোইনাই সনা লুকংবা পাখঙবা হায়না কৌএ

নম্বুল তুরেল, নম্বুল মাকপা সনা পাখঙবা কৌএ, মনিলোক লোকচাই পাংখি খোংজুমাল নিংথৌখোং পামুখং, থামুরৌ, কৈশাংখোং, তুশাং মনিংপাং লোয়না অকেইবা চংতবা লৈ। মসিংদি ঃ-

[illegible]

তাওরোইনাই কৌএ। লাইচুই

খায়োম চাবান থাও, লাই [illegible] কৌএ।

(২৪) অঙোম সলাইনে, [illegible] [illegible], কোক্লবা ঃ-

য়ি হিংলে। লাই শিরে। কংও চিরেন সনা পাখঙবা কংও।

খ্বাইরম্বন্দগী শগোলবন্দ, নম্বুল তুশাং, ক্বাকৈথেল মচিন মনাও চীং মনাক, শন্দংখোং ৱাইতোন লাংথবান, থোংখোং, থম্বালখোং হিয়াংথাং, তেরাকৈথেল ৱাইশেন ৱাইখোং, হৈনৌখোংনেম্বী কাফুৎ ইরাং লাইনি। মদুদা পুল্লে হৌরমবা উরবদি থাদোক্কনু য়াইনি।



মন্ত্রা তাওরোইনাই চিরেন সনা পাখঙবা কৌএ। লাইচুই। কোক্লবদি মথক্তা হায়খ্রিবা অসিনা তৌও।

[illegible]নাং তুরেন [illegible]রকপা [illegible] তারকপা ইরে[illegible] [illegible] [illegible] কংলোগা ফাওনবনে [illegible]রুবা মফমনে[illegible]।

([illegible]) [illegible]খুমন সলাইনে, মচু[illegible] [illegible]বনে, [illegible]নরগা কোক্লবা ম[illegible]

[illegible] খুমন [illegible]লাই [illegible] হো কংঙো।

[illegible] হুখোং অকোইবদা [illegible]।
[illegible] কৌই। লাং[illegible] [illegible]হাদেবগী
[illegible] লৈবনি। মমাংঙৈ[illegible] নিংথৌ
[illegible]ল্লশী সো[illegible] [illegible]নুবা হনুবী কৌ[illegible] [illegible],
[illegible]জুবদগী য়াং[illegible]বনি [illegible], [illegible]ইদা য়ুম্ফম খুমন [illegible]
[illegible] লৈবনি। মদুদা শিংউং [illegible]নাং জুরাং[illegible] [illegible]হৌদুনা লৈবনি। মদুগী মফম [illegible] [illegible]বনে। উ অকংবা য়ুম্বী ওইনা থোকপনে। নেৎলুগনু মফম অদুদা চৎপদা অক্লিবগী মশক্নে। অরুবা মফমনে।

(২৬) নিংথৌজা (অঙাংবনে) ঃ-



[illegible]ংবীরেন নোংক্রেন পাখঙবা কৌএ। সলাই ৭ মক্কা খুরুম্মু ফগনি। খুমন সলাইনু ওইবনে।

য়ারন পাৎ, নিংলাই তুরেল, ইরেন, ফক্লুং ফৌরুংবী খোংয়োং হাওবু লম্বনা লোইরম্বা লাইনি। শাওমবুং, পুখাও, শগোলমাং, মরাংখোং, মচাংবী ইয়াম পান লমলাই অৰাং তোরৈ তুশাং পাৎথি কোমথি তু খোং লাইনি। পুংদোংবম চীংলাই লৈত্রেংখোম্বা সনা পাখঙবা কৌএ।

অকিবগী মশক্লি। পাইদুনা চৎপা ঙমই। লাইচুই, শিএ। য়াংবীরেন সনাসু কৌএ।

(২৭) খুমন নিংথৌজা সলাইনে অনিনা তিনবা লাইনে। থায়োং হাওবুবনা শনপোৎ খোইরিঙৈদা মালাশিহল্লি হায়বা লাই অদুনি মানা শিখিবা মফম অদুদি য়ারন পাৎতা লৈবা লাইনি। মানা শিখিবা মফম লাইখুন লৈবনি, পুখ্রি ওইনা লৈবনি খুমন নিংথৌজা ১না, ওইবা লাইনি, অন্দ্রো চীংখোং তুরেল তুশাং পাৎথি লোক্তাই তুয়োং চীংয়া ইরেন তুশাং কোনবা লাইনি, লাইরেল ঙাকং পাখঙবা কৌএ, সনা নিংথি কৌএ। লাইদি অসি ৩ নি হন্দোক হঞ্জিন চংদুনা লৈএ। লাইচুখ্রবদি শিএ।



খয়োম পিও ফাবনে। কোকপনে খঙও।

(২৮)

হিয়াং অথৌবা ভুং প্রেং ওইনা তৌবনি লাংওন য়াম্মী।

(২৯) নিংথৌজা লাইনে ব্রহ্মাগী লাইনে মখোই জাতিগী লাইনে তুবী লাইরেল পাখঙবা সনা কৌএ। খুমন সলাই নিংথৌজা সলাইগা হান্না ওইবনে। অঙাংবা অমুবগা ওইবনে। মসি ওক্করবদি কোক্কবা হায়গে ঃ-



লাই পুথোকও। খয়োম সনা কোনয়াই য়াওনা লাই পুথোকও কোক্কনি।

(৩০) চীংগী লাইনে দেবতানি কৌএ। অশংবা মচানি, মমিংদি তাঙরোইনাই তুবী লাইরেন পাখঙবা, সনা পাখঙবা কৌএ। মখোয়গী লাই পুথোকও। খয়োম চবান থাদোকও ফবনে ॥০॥



(৩১) অঙোম সলাইনে। অঙৌবা মচুনে। মীরমগী লাইনি। মখোয়না শামজা পাখঙবা কৌএ। মখোয়গী খায়োম পীয়ু লাই পুথোকও কাওগনু।



(৩২) মীরমগী লাইনে। নিংথৌজা সলাইনে। অঙাংবা মচুনে। মসি ওক্লরবদি খয়োম লাক্তুনা লাই পুথোকও কোকপনি।।০।।

(৩৩) লাইরেন নাগা নিংথৌনে। অঙাংবা মচুনে। লুৱাং মচুনে খুমন হিগোক মচুনে অহুম্না তিনবা লাই।

কোক্লবা ঃ-

সনামহি খুরুম্মু। তৌরকপা পুম্নমক তম্মু সুম্বন্দা য়াংকোক্তা কমদুনা তমউ পোইবা য়াদে। লাই কললে কংঙো। মদুদা শেংলুবা চিরেন অদু হুন্দোকপা পেংপা য়াদ্রে। খরা চেদোন চাওনা পুথোকও।

কীসান কাবোক অথুম থাওও ঐ মনা থাইবা, মাইবা মাইবী য়াওনা তৌও লোকপনে খংঙো।



(৩৪) নোং খুং ইরুপ ফবনি। নিংথৌজা সলাইনে। অঙাংবা মচুনে। নিংথৌচা ৭ চংবা লাইনে। অরুবা পাখঙবনি। নুংজেং পুখ্রিদা লৈ মমিংদি কংলা কোনয়াই শিদবা কৌএ। মফম অদুদি কংলাগা নুংজেংগা ওনফমনে। লাই থোকপদা ইরুপফমনি। অরানবনা তাওখৎলি। অচুম্বা (লান্দবনা) লুপ্পনে। নুংজেং ইরুপফমনে। ফানখোং ১২ নি খংও। অসিবু নিংদুনা পাখঙববু খুরুমদনা লুপাও ফবনে। পাপ কোককে হায়রবদি খায়োম চাবান য়াওনা থাও লুপচৌ ফবনে।।০।।

(৩৫)



মোইরাং খোইরি কৈথেন্দা লৈবা লাইনে। খুমন অমুবা সলাইনে।

মোংবা তোরবুং শেন্দ্রা পাৎ খুদা হরেন শিংজমমৈ ইরোম পাৎ লৌবুক শগাং হাও মমাং পাৎ ৱাংবন লাইয়াম তিনফম নিংথৌদা তুরেললোক নিংথৌ লাইকোন পাৎ ইখাই ইরেন ফাওবা চৎপনে। মমিং ইথাই তুরেন খেরা কৌএ। অসিবু ভুজাপত্রা মনাদা য়েক্কুনা সনা লুপানা য়োমদুনা যন্ত্রা ওইনা শিরগা

লাই ওক্লদবনি। জাদু চংদে। লাই ওক্লবা লাইচুদে। মমিং সনাহন হিচাম্বা তুফাং লাকপা সনা পাখঙবা কৌএ।

কোক্লবদি খয়োম চাবান য়াওনা থাও ॥০॥

(৩৬)

অশংবা মচুনে।

শিংজম্মৈ ব্রাংমা অখাম লৌবুক মমাং মখা পাৎ লাইকোন কোংবা থিংঙেন কৈথেন অৱাং থংবা খোংনাং অচৌবা মখোং ইরেন লাইকোন শুরুং মমাং ঙক্রা পাৎ মমাং লাইরেন পাৎ মখা থংবা লাইকোন। অসিদা লাইকোন লৈএ। মখা থংবা কাকোক পাৎ লাইকোন লৈ লাইদি কোন তুশাং কোংবা মৈরোম্বী তুশাং লাই মমিং তাওরোইনাই নোংদ্রেন সনা পাখঙবা কৌএ। লাইচুই খাবা সলাইনে।

লাই শিরো মি হিংলে। লাই পুথোকও। খয়োম চবান থাও

(৩৭)



লাংথবান কাঞ্চিপুর লাই কোনুং অকোইবা কাফুৎ ইরাং অকোইবা লিলাকোৎ মনিং হৈরোক, চাজিং কারাম কফুতা লৈবা লাইনি। মমিং তাওরোইনাই পাখঙবা সনাহন হেন্দিরেন মিরি ফকশং কৌএ। লাইচুই কোক্লবদি খয়োম চাবান থাও, সনা লুপা কোনয়াই, অথুম-অহাও য়াওনা থাও ফৈএ।

(৩৮)



নিংথৌজা সলাইনে অঙাংবা মচুনে। গম্ভিরসিং মহারাজগী খুৎনে। লাইনি, মমিং তরং ঙানবা কৌএ। হি অসি অনিশুইএ। মতৈ-মনাওনি। নিংথৌনি খংও। গম্ভিরগী মচা ইবুংঙো শ্যামশাই খুরাই লাকপানা লৈত্রবদা সনা কোনুংদগী মতোমতা চৎখিদুনা লোক্তাক খোংজিন্দা মতোমতা লুপ্তুনা হৌজিক ফাওবা লৈরি। মথি ফোংই, তাওখৎলকই। উনরগা মী শি। কোক্লবা থক খা খয়োম লাকও। কোনয়াই শেনয়াই হুল্লু, ফী, অথুম-অহাও য়াও খয়োম পীয়ু কোকপনি ।।০।।

(৩৯) খুমন সলাই অমুবা মচুনে।



লাইচুখ্রবদি কোকপা ব্রাই।

খুমন নিংথৌনি। খুমন পোকপা খমলাংবা কৌই। খুমন পোকপসু কৌএ। নারেং কোঞ্জিন ময়া চীংয়াদা লৈএ। হৌজিকসু মথি ফোংবদা ইরাওখোন তাবনে। খুমন্না হি হোনবনে উনরগা লাইচুবনে। য়েংগে হায়বরসু উগনি। চীংয়াদা নুংগী হি ওইনা লৈবনে। খুরুম্মো। তৌ মপান শাবা তুরেল চাওবা মতমদা হি হোনবনে। উরগা ঙাওনা ফৈনা নাএ। লাইচুই, ঙাওবনি।

(৪০)

নিংথৌজা সলাইনে, ঙাংএক মচুনে। সলাই অমি চংবনে খংও। ককটিং খম্লাংবা (থাংজিং কোইরেন লাই) গুরুং লৈবনে চীংয়া অকোয়বদা পাংথি কোমথিদা লৈ। পাখঙবা সনা হিঙল্লা চিরেন খোম্বা য়াংবিরেন ম্লাসু কৌগ্র। লাইচুই। অরুবা লাইনে খংও। সলাই ৭ হায়বদি মঙাং, লুৱাং, খুমন, মোইরাং, খাবা-ঙানবা, অঙোম, চেংলৈ অসিনি।

খয়োম চবান থাও কোকপনে।

(৪১) অঙোম সলাই অঙৌবা মচুনে। ৱাইহৈ চীংহাম নিংথিখোং অকোইবা চরাংপাৎ লৌশি য়হিরি লুৱাংথেমপাৎ থৌবাল অরোং তুরেল তুশাং লাইকোন পাৎ ইকোপ নিংথৌ নাইদগো পাৎ অসিদা লৈবনি। মমিং ইরেন সনা হেদি পাখঙবা কৌই। লাইচুই শিগল্লি। লাইবু সলাই খংগনে দ। খয়োম চবান থাও। লাই পুথোকউ ফবনি।



(৪২) নিংথৌজা সলাইনে, অঙাংবা মচুনে। মমিংদি য়াংবীরেন সনা পাখঙবা কৌএ। য়াইরিপোক থানা লাংমৈথেক, উখোং শাংবঙম চাওঙমদবী লৌরেম্বম শন্নুংথম, ইঙৌরোক, হৈতুপপোকপী লোকচাও অসিদা লাইকোন লৈবানি। সলাই ৭ না পোকপনি। লোংশাই ফাবনা লাইরেন লাইমজোন পোকপনে মকোক অনি লোঙাউ। য়েক্লীবা অসিনি লোংমচা তম্না সনা কৌএ। কংলাগা ফাওনবা লৈবনে। খয়োম চবান কংথোকও ফবানি।

(৪৩)



নিংথৌজা সলাইনে। অঙাংবা মচুনে। মমিংদি চীংলাই য়াইবিরেন সনা পাখঙবা কৌএ। লৈরোংথেন নিংঙোল চন্দানে লাইখোং আন্দ্রো চীংশা লাইকোন মরু ইরোক ইরেন অসিদা লৈবনে। মমিংদি লাইরেন ইরোক চীংলাই পাখঙবা য়াংবীরেন কৌএ। লাংলোন য়াম্মী। উন্নরগা মী শিয়ে। কোক্লবদি খয়োম চবান য়াওনা তৌও ফবনি।

(৪৪)



লুৰাং সলাইনে,হিগোক মচুনে। হরাও কোগোন শৌবী ইরেন পাখঙবা কৌএ। লাইচুইএ সলাই ৭ মক পুথোক্তুনা কৎথোকও কোকপনি।

(৪৫)



নিংথৌজা সলাইনে, অঙাংবা মচুনে। মন্ত্রা অসি লৈপাক্তা য়েক্লগা মনুংদগী লৈপাক লৌরগা নশাগী য়ুমগী থোঙদা মন্ত্র অসি শোন্দুনা থোঙদা তৈরবদি ফবনে। শ্রী চন্দ্রকির্ত্তী মহারাজনা তৌখ্রবনে থৌজাল (কৃপা) লৈরবা মন্ত্রনে, প্রজা পুম্নমক খংহনখি।

(৪৬)



মোইরাং সলাইনে, অরাংবা মচুনে। তোরবুং লমজাও, খুগা লোকলেন ইরেন খাইনা লিক্লাই সনা সংখুন্বা কৌএ। খৌরিদা শীও। লন চংবনে কোক্তা পুল্লাগা চংঙো মঙ্গল ওইএ।

(৪৭) খুমন সলাইনে, অমুবা মচুনে।



লোক্তাক করাং কফুৎ লাইনি। মমিংদি লোক্তাক করাং কফুৎ ইরেন পাখঙবা কৌএ। পুমলেন ইরেন পাখঙবা কৌই। লাইচুইয়ে। ভুজপত্রা মনাদা য়েল্লগা ঈশিংদা তিংলগা মচুম পিথকও কোকপনি। অরুবা লাইনি। মফম অসিদা লাই ৭ লৈবনি। লাই কোকপা লৈত্রবা লাইফমনে। লাই পুথোকও কোকপনে।

(৪৮)



খুমন সলাইনি, অমুবা মচুনি। ৱাইখুলোক পাখঙবা কৌএ। লোক্লাই পাখঙবসু কৌএ। মানা সিদ্ধি ওইবনে। কংলা অকোইবদা লৈবনে কোনুংদা লৈবনে। তুখোং শুরুংদা লৈবনে। কোক্লবা খয়োম চবান কোনয়াই য়াওনা তৌও কোকপনে।।০।।

(৪৯)

নিংথৌজা সলাইনে, অঙাংবা মচুনে।

মমিংদি কংলা খমগোন সনা পাখঙবা কৌএ। নিংথৌ খনবদা যন্ত্রা ওইনা য়েক্তুনা শিও চুপপো য়াম্না কান্নবনি চান্নবনি লাইনিংথৌ সনা পাখঙবসু কৌএ। ফম্বাল্লাং কংলা কজোম ফম্বাল নিংথৌসু কৌএ।

(৫০) নিংথৌজা সলাইনে, অঙাংবা মচুনে। মমিংদি ৰাঙু চাইরেন লমজাও চীংয়া তময়া অকোইবা তুরেন-তেরা-উরক চীংয়া খরাং পাং অৰাং লাইকোন ফৌবাকচাও লোক্তাক খোংয়া শুগুনু ৰাংৱেন সনা পাখঙবা সুয়া পাখঙবা কৌঐ।

(৫১) খুমন সলাইনে, অমুবা মচুনে। মমিংদি তাওরোইনাই পাখঙবা সনা কৌঐ।

শিংজমৈদগী চীংঙা মখা লুৰাং।



(৫২) খাবা সলাইনে, অশংবা মচুনে। কোক্লুবা মন্ত্রা হায়গে ঃ-



লাই কংঙো স্নাহম কংঙো।
নাইখোন্বা সনা কংঙো।

লোকচাও, কোইরেঙ্গৈ, খুমন পোকপা, খোংহামপাৎ লাইকোন, তেন্দোংয়ান, ফৈদিংগা, লোইতাং মনিং পাৎ, খুখুল, শেকমাই অসিদা লৈবা লাইনি। কংলা শুরুং স্নাহন লোকচাও খোন্বসু কৌএ। অরুবা লাইনে কোনয়াই খয়োম চবান য়াওনা তৌথোকও কোকপনি।

(৫৩)



খাবা ঙানবা হান্না ওইবা লাইনে, অশংবা মচুনে, হান্না তিনবা লাইনি। খংঙো। য়াইবীরেন পাখঙবা কৌএ। থৌবাল লোকচাও খেবা সনাহনসু

কৌবনে। অৰাং কোহিমা থীগোম মাইয়োক লোকমাই কফুৎ ইরাং লৈকুৎ লৈরাই লাইনি। অৰাং কংলা শুরুং স্নাহল কৌই।

নিংথৌ ফুরা মখোং তুরেন অমনবী তুশাং কোংবা পুখ্রি কিয়াম মাইরেনখোং লাংথবান তুখোং চন্দ্রনদি নম্বুল অরিবা চিরেন সনা তাওরোইনাই পাখঙবা সনা কৌএ।

(৫৪)



অসিনা মীঙ্খো পীয়ু খয়োম চবান য়াওনা তৌও।

খুমন সলাইনি, কুম্বা মচুনি (অমুবা)।

লোক্তাক ইরোং কোঞ্জিন মোংবা তুথুপ পাখঙবা কৌএ। মন্ত্রা অসি ইরগা কোক্কন মনাদা য়াদা উম্লগা ঈশিংদা লুপ্লবদি পাখঙবা উবা ফংঙে। লুপ্লমদাইদা হান্নবা কোনয়াই হুল্লু।

(লোইরবা)